

# যীশু খৃষ্টতগী
# অঙকপা পুন্সি

## ঐখোয়বু শেনবীবা মপু অদু কনানো?

যীশু খৃষ্ট অসি চহি কয়াগী মমাংদা হিংলম্বা অমদি শিখিবা ইচম চম্বা মীথোই মিহেনবা মীশক নত্তে, সাষ্ট্রগী মতুংইন্না, মহাক অসি পাপ চেনবা মীওইববু পাপকী শক্তী, সৈতান অমদি অসিবদগী কনবিননবা তাইবঙদা মী অমা ওইনা হিংলম্বা লৈশেম্বা মপু ঈশ্বর অদুনি। মহাক ঙসিসু হিংলি অমদি মঙোন্দা লাকপা মী খুদিংদা অরান খুভম পীবি।

যীশু খৃষ্টবু লৌশিনজবা অমদি লৌশিনদবা হায়বশি, শিবা অমদি হিংবগা পানখকনি।"মচানিপা অদুবু ফংলবা মহাক অদুনা হিংবা অদু ফংলে, ঈশ্বরগী মচা নিপা অদুবু পংদবা মহাক অদুনা হিংবা অদু ফংদে"। (১ যোহান ৫:১২), অমসুং অতৈ কনাদগীসু অরান খুভম লৈতে, মরমদি মাদুগী মপান্না ঐখোয়বু কনবিগদবা, মীশিংগী মরক্তা পীরবা অতৈ মিং অমত্তা অতিয়াগী মখাদা লৈতে"। (পখোন-থবক ৪:১২)

মহাক্না যীশু খৃষ্টগী অঙকপা পুন্সীবু নৈনবদা ঈশ্বর অসি অশেংবা ওইনা খংবা ওইরসনু, "অমসুং অমত্তা ঙায়বা অচুম্বা ঈশ্বর ইবুংঙো অমসুং ইবুংঙোনা থারকপা যীশু খৃষ্টবু মখোয়না খঙবা, মসি লোম্বা নাইদনা হিংবা অদুনি" (যোহান ১৭:৩) নহাক যীশুবু নহাক্কী কনবীবা মপুনি হায়না নহাক্কী থম্মোইদা লৌশিল্লব্রা করিগুম্বা লৌশিন্দ্রবদি ঙসি লৌশিনশিনবিয়ু।

All scriptures are taken from the Manipuri Bible with permission from the Bible Society of India.

অহানবদা ৱাহৈ অদু লৈরম্মী, ৱাহৈ অদু ঈশ্বরগা লৈমিন্নরম্মি অমসুং ৱাহৈ অদু ঈশ্বর ওইরম্মি। ইবুংঙো মহাক অসিনা অহানবদা ঈশ্বরগা লৈমিন্নরম্মি। পোৎ পুম্নমক ইবুংঙো মহাক্কী মপান্না ওইরক্লে, অমসুং ৱহৈ অদুনা শায়োল্লক্তুনা, থৌজান্নৈ অচুম্বনে পিকথন্দুনা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈবিররে - যোহান 1:1-3,14a

ইবুংঙোদগী পুম্নমক শেমখ্রবা ওইরে,... পোৎ পুম্নমক ইবুংঙোগী মপান্না অমসুং ইবুংঙোগীদমক শেমখ্রে,... অমসুং ইবুংঙোদি পোৎ পুম্নমক্তগী হান্না লৈ... - কোলোসিয় 1:16-17

অদুঙৈদা ঈশ্বরনা ইপা ইপুশিংদা ৱা তাকথোকপশিংগী মপান্না মচেৎ মচেৎ ওইনা অমসুং তোঙান তোঙানবা মওং ওইনা হায়খিদুনা নুমিৎশিং অশিগী অরোইবদা ঐখোয়দা মচা নিপাগী মপান্না হায়বিরে, ইবুংঙোবু পোৎ পুম্নমক্কী যুম্লেপ চারা ওইহনবিরে, ইবুংঙোগী মপান্নসু তাইবংপানবা মখৈ শেম্বিরে - ইব্রীয় 1:1-2

ষীশুনা মখোয়দা হায় 'ঐনা নখোয়দা থাঙ্গৈশেংনমক হায়রিবনি, আব্রাহম পোক্ত্রিঙৈদা, ঐ লৈ''। - যোহান 8:58

তৌইগুম্বসুং মচানিপাগী মরমদা হায় ' ইবুংঙোগী ফম্বান্দি, হে ঈশ্বর লোম্বা নাইদে ' অদুগা 'হে প্রভু, ইবুংঙোনা অহানবদা পৃথিবীগী মখোঙ হৌবিরে, অমসুং অতিয়াদি ইবুংঙোগী খুৎকী থবক্নি' - ইব্রীয় 1:8a-10

"মরমশিনা লাইনিংথৌ ইবুংঙো মশামক্না খুদম অমা পীগনি: য়েংউ, লৈশাবি অমনা মীরোন্দুনা অঙাং নুপা অমা পোক্কনি। মহাক্কী মমিং ইমানুয়েল কৌগনি - য়সাইয়া 7:14

"এফ্রাথাগী বেমলেহেম, য়ুমদাহগী জাৎশিংগী মরক্তা নহাক অপিকপা অমা ওইদুনসু নংগী নফমদা ইসরায়েলগীদমক লৈপাক ঙাকপা অমা চোংথোক্লক্কনি। মহাক্কী মরুদি মমাংঙৈদা চৎখ্রবা মরিদগী লাক্কদবনি। - মিকা 5:2

ঐখোয়গী ইরক্তা অঙাং অমা পোক্লে, ঐখোয়দা পিবিরে অঙাং নুপা অমা মহাক্কী মখুত্তা লৈপাক ঙাক্লোন লৈগনি, মরমশিনা মহাক্কী মমিংদু কৌনগনি অঙকপা লৌশিং লৈবা পাঙ্গল্লবা মপু ইবুংঙো, শিনাইদবা পনথৌ, অহিংবা নিংথৌ মহাক্কী লৈপাক্কী চাওখৎপা অদুগা মহাক্কী মতমদা হেনগৎকদবা মরা চেৎপদু অরোইবা নাইরোই - য়াসাইয়া 9:6-7a

মহাকপু তাইবংনা খোংগাওনরমই মহাক মীশিংগী মিৎয়েংদদি থোইনা মমল লৈরমদে। অদুবু মহাক মশামক্না ঐখোয়গী অৱা অনাদু পুবিখি, ঐখোয়গী শ্বোর ফুইনা হোনবদু মহাক্না ফংবিখি, ঐখোয়না মহাকপু মপু ইবুংঙোনা থাদোকপিরবা অমনি হাইনা লৌখি, নিংখি মহাক অনা অয়েক অমদি অরাবনা মাঙওইনরবা অমনি হাইনা ঐখোয়না তৌবা পাপশিংগী মরমদগী মহাকপু থিনা তৌখি, ঐখোয়না তৌবা অয়োন অরানশিংগী মরমদগী মহাক অৱাবা খাংখি - য়সাইয়া 53:3a,4-5a

খৃষ্ট ষীশু ... ইবুংঙোনা ঈশ্বরগী মওংদা লৈরবসু, ঈশ্বরগা মান্নবা ওইবা অদু চেৎনা পায়গদবা ওইনা শীংথানদে, অদুবু মীনাইগী মওং লৌদুনা মীওইবগী মান্নবা ওইরক্তুনা ইবুংঙো মশা মথন্তবু শংদোকচরে, অদুগা ইবুংঙোবু শজত্তা মীওইবগুম্না উরে অমসুং ইবুংঙোনা শিবা ফাওবা হোয়, ক্রোসতা শিবা ফাওবা হাইবা ইল্লক্তুনা ইবুংঙো মশা মথন্তা নোল্লুকচরে। - ফিলিপ্পীয় 2:5b-8

ষীশুনা মখোইদা হায়... ঐনা ঈশ্বরদগী থোক্লত্তুনা লাক্লবনি... - যোহান 8:42

অহানবা মী (আদম) অদু লৈপাক্তগীনিনা লৈপাক্কীনি অনিশুবা মী (ষীশু) অদু শ্বর্গদগীনি। – 1 কোরিনথিয়া 15:47

ইবুংঙোনা তাইবঙপান্দা লেঙলক্তুনা হায়, "ঈরাৎপোৎ অমসুং কৎনবা পোৎ ইবুংঙো মহাক্না পামদ্রে তৌইগুম্বসুং ইবুংঙো মহাক্না ঐগীদমক হকচাং লাংবিরে, – ইব্রীয় 10:5b

মরম অদুনা অঙাংশিং অদুনা ঈ- তোংগী শরুক ফংবগী মরম্না, ইবুংঙোনা শিবগী মপান্না শিবগী মপাঙ্গল লৈরিবা মহাকপু, হায়বদি দিয়াবোলবু, করিসু নত্তবা ওইহন্নবা অমসুং শিবা কিবনা মখোয় মখোয়গী মপুনশি চুপ্পা অপুনবগী মখা পোল্লিবশিং পুম্নমকপু থাদোকপিন্নবা, ইবুংঙোনসু মখোয়গা মান্নানা শরুক অদুমক লৌজরে,

- ইব্রীয় 2:14-15

"মরমদি মীগী মচানিপা অদুনা মশাবু থৌগন তৌহন্নবা লাকপা নত্তে, তৌইগুম্বসু থৌগল তৌবিনবা অমসুং ময়ামগী থাদোকমল ওইনা মহাক্কী থৰাই পীনবা লাকপনি।" - মার্ক 10:45

"মরমদি মীগী মচানিপা অদুনা মাঙখ্রবা অদুবু থিননবা অমসুং কনবিননবা লাক্লে" - লুক 19:10

"মরমদি ঈশ্বরনা মচা নিপা অদুবু তাইবঙপানববু ৰায়েন্ননবা তাইবঙপান্দা থাবিবা নত্তে, অদুবু ইবুংঙোগী মপান্না তাইবংপানবু কনবিননবা" - যোহন 3:17

ষীশুনা খুল্লে, "...অসিগীদমক ঐ পোক্লবনি, অমসুং ঐনা অচুম্বদা শাক্খী পীন্নবা অসিগীদমক ঐনা তাইবঙপানবদা লাকপনি। অচুম্বগী ওইবা মী খুদিংনা ঐগী খোঞ্জেল তায়"। - যোহন 18:37b

খৃষ্ট ষীশুনা পাপ চেনবশিংবু কনবিননবা তাইবংপান্দা লেবিরক্লে... - তীমোথিয় 1:15b

ঈশ্বরনা মচা নিপা অমত্তা ওায়বা অদুবু ঐখোয়না ইবুংঙো অদুগী মপান্না হিংননবা তায়বঙপান্দা থাবিরক্লে। – 1 যোহন 4:9b

অদুবু মতম অদু পুমশু শুরবদা ঈশ্বরনা, নুপীনা পোকপা ৰায়েল য়াথংগী মখা পোন্না পোকপা, মচা নিপাবু থাবিরক্লে, মদুদি মচা নিপাসিনা ৰায়েল য়াথংগী মখা পোন্না লৈরম্বশিংবু হন্দোকপিন্নবনি, অসুম্না ঐখোয়না য়োকচবা মচানিপাশিং ওইবা ফংজননবনি। - গলাতীয় 4:4-5

...নসরেৎ কৌবা গলীলগি সহর তান্না ঈশ্বরদগী গাব্রিয়েল দুত অদুবু থারক্লে, দায়ুদকী ইমুংদগী যৌষেফ কৌবা নিপা অমদা ৰা লোইনখ্রবী লৈশাবী অশেংবী অদুদা মহাক লাক্লে, অমসুং লৈশাবী অদুগী মমিংদি মরিয়মনি। ... মদুদা দুত অদুনা মঙোন্দা হায়, “ কিগনু মারিয়ম, মরমদি নহাক্তি ঈশ্বরগী মফমদগী থৌজাল ফংজরে। অমসুং য়েংউ নহাক মীরোন্দুনা নচা নিপা অমা পোক্কনি, অদুগা ইবুংঙো অদুগী মমিং ষীশু থোনগনি। ইবুংঙো অসি মতিক চাউগনি, অমসুং ইহেন হেনবা অদুগী মচানিপা কৌগনি, ...অমসুং ইবুংঙোগী লৈবাক অদু লোম্বা নাইরোই” । মদুদা মারিয়াম্না দুত অদুদা হায়, “ ঐদি নিপাগা খঙনদবী ওইবনিনা, অশি করম্না ওইগদগে” অম সুং “ থৰাই অশেংবনা নঙোন্দা কুমথরক্কনি, অমসুং ইহেন- হেনবা অদুগী মতিক্লা নঙোন্দা লুমশিনবিরগনি, মরম অদুনা ঈশ্বরগী মচা নিপা কৌগনি। ...মরমদি ঈশ্বরদগী থোকপা ৰাহে খুদিং মতিকলৈতবা ওইরোই।

- লুক 1:26b-27,30-37

“হে দযুদকী মচা যৌষেফ, নহাক্কী নুপী মরিয়ম্বু লৌবা কিগনু, মরমদি মহাক্কী নুংদা মীরোলিবা অদু থৰায় অশেংবদগীনি। অমহিকসুং মহাক্লা মচা নিপা অমা পোক্কনি, অমসুং নহাক্লা মহাক্কী মমিং ষীশু থোনগনি, মরমদি ইবুংঙোনা মহাক্কী মীশিংবু মখোয়গী পাপ্পুগী কনবিগনি” – মাথি 1:20b-21

মতম অদুদা তাইবঙপাল পুন্নমক্কী মীকোক থীযু হায়না য়াথং লাকলে... অমসুং মী খুদিংনা মাগী মাগী খুন্দা মমিং ইননবা মখোয় পুন্নমক চৎলি অদুগা যৌষেফসু বেৎলহেম দা মহাক্কা ৰা লোইনরবা মীরোল্লিবা মরিয়ম অদুগা লোইননা মমিং ইননবা লাকলমই।... অমসুং মহাক্লা অহানবা মচানিপা অমা পোক্লে, অদুগা মাদু ফিনা য়োমদুনা শা থাক্লবা খুদেংদা হিপহল্লে, মরমদি মীথুংশঙদা মখোয়গী দমক মফম লৈরমদে, অমসুং লম অদুদা য়াওশেনবা খরনা লৌবুক লমহাঙদা লাক্তুনা মখোয়গী য়াউ শঙ্গু অহিংদা ঙাক্লম্মি। অমসুং প্রভুগী দুত অমনা মখোয়গী মনাক্তা লেপ্পরে। অদুগা প্রভূগী মতিক মঙান্না মখোয়গী অকোয়বদা ঙানবিরে, মাদুদা মখোয় য়াম্না কিরে। অদুবু স্বর্গদুত অদুনা মখোয়দা হায় “ কিগনু, মরমদি য়েংউ, মী পুন্নমক্কী ওইগদবা য়াম্না হরাওবা অফবা ৰাপাউ ঐনা নখোয়দা পুবিরক্লি, মরমদি ঙসি দায়ুদকী সহরদা নখোয়গীদমক কনবিবা মপু পোক্লে, ইবুংঙো মহাক্তিঃ খৃষ্ট প্রভু নি... নখোয়না ফিনা য়োম্বা অঙাং অমা শা থাক্লবা খুদেংদা হিপ্লিবা ফংগনি” অমসুং খুদক অদুমক্তাদা স্বৰ্গগী কাংলুপ ময়াম দুত অদুগা লোয়নরদুনা ঈশ্বরবু থাগৎলকই, “ খ্বাইদগী হেন্না ৰাংবদা ঈশ্বরবু থাগৎপা অদুগা তাইবংপান দা ইবুংঙোবু পেলহল্লিবা মীশিংগী মরক্তঃ ইংথবা ! ”

- লুক 2:1–14

অমসুং উন কক্লবগীদমক নুমিৎ নিপান্নি শুরবদা ইবুংঙোবু মীরোন্দ্রিঙৈদা স্বৰ্গদুতনা থোনখিবগুম ইবুংঙোগী মিং যীশু থোল্লে। - লুক 2:21

অদুগা য়েংউ সিমিয়োন কৌবা মী অমা যেরূসলেমদা লৈরম্মী অমসুং মহাক অসি ইস্রায়েলগী অফ - নুংঙাইবা ঙাইজরিবা ধর্ম্ম চেনবা অমসুং ঈশ্বরবু চেৎনা নিঙবা মী ওইরম্মি, অদুগা থৱায় অশেংবনা মহাক্কী মথক্তা লৈরম্মি। অমসুং মহাক্না প্রভুগী খৃষ্ট অদুবু উদ্রিবা ফাওবা অশিবা উরোই হায়দুনা থৱায় অশেংবগী মপান্না মঙোন্দা ফোংবিরমলে মদুদা থৱায়না তোংদুনা মহাক্না ঈশ্বর নিঙনশঙদা চংলক্লে। অদুগা ৱায়েল য়াথং অদুগী হৌনবী মতুং ইন্না ইবুংঙোগীদমক তৌবিননবা মপা মমানা অঙাং যীশুবু পুশিল্লক্লবদা মহাক্না ইবুংঙোবু পমদুনা ঈশ্বরবু থাগৎচরকই, "প্রভু ইবুংঙো নহাক্না হায়বিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ইবুংঙো নহাক্না ননাইবু ইংথনা থাদোকপি মরমদি জাৎ পুম্নমক্কী মমাংদা ইবুংঙো নহাক্না থৌরাং লাঙবিরবা ইবুংঙো নহাক্কী অরান খুবম অদু ঐগী ইমিৎনা উজরে ইবুংঙোদি অতোপ্পা জাৎশিংদা ফোংদোকপিনবগীদমক মঙাল অমসুং ইবুংঙো নহাক্কী মী ইস্রায়েল জাৎকী মতিক মঙাল ওইবিবা অমসুং ইবুংঙোগী মপা মমানা ইবুংঙোগী মরমদা হায়খিবা ৱা অদুদা ঙক্তুনা লৈরম্মি, অদুগা সিমিয়োন্না মখোইবু বোর পিরম্মি...

- লুক 2:25-34

হেরোদ নিংথৌগী হাক্তুক্তা যিহুদিয়াগী বেৎলেহেমদা যীশু অসি পোক্লবগী মতুংদা, য়েংউ নোংপোক্লোমদগী মহৈ হৈবা মী শিংনা “ যিহুদিশিংগী নিংথৌ পোকইবা অদু কদায়দা লৈবগে? হাইনা যেরু মসলেমদা লাক্লম্মী, মরমদি ঐখোয়না নোংপোক্লোমদা ইবুংঙো মহাক্কী থৱানমিচাক অদু উই, অমসুং খুরুমজগে লাকচরিবনি”

হেরোদ নিংথৌনা ৱারম অদু তারগা, মহাক অমসুং যেরুসলেমগী মী পুম্নমক খোয়রাংলে। অমসুং মহাক্না অথোইবা পুরোহিৎশিংনে মীশিংগী শাস্ত্রগী ওজাশিংনে খোমজিল্লগা মখোয়দা খৃষ্ট কদায়দা পোক্কদগে হায়না হংলকই। অমসুং মখোয়না মঙোন্দা হায়রকই, যিহুদিয়াগী “বেৎলেহেমদনি, মরমদি ঈশ্বরগী ৱা তাকথোকপনা অসুম্না ইখ্রবনি...”

মখোয়না নিংথৌগী য়াথং অদু তারগা চৎখ্রে, অমসুং য়েংউ নোংপোক্লোমদা উরম্বা থৱানমিচাক অদুনা অঙাং মচা অদুগী লৈফমগী মথক্তা লাক্কুনা লেপত্রিবা ফাওবা মখোইগী মমাং থাখ্রো অমসুং মখোয়না থৱানমিচাক অদু উবদা ঙমখৈ লৈতনা হরাওজখি। অমসুং মখোয়না য়ুম অদুগী মনুংদা চংলগা অঙাং মচা অদূনা মমা মারিয়মগা লোয়ননা লৈরম্বা উবদা, লৈতানা ইবুংঙোবু খুরুমজদুনা মখোয়গী পুকৈ হাংদোক্লগা খুদোনগী মশক ওইনা সনা, কুন্দুরু অমসুং গোন্ধরস কৎচরে

- মথি 2:1-5,9-11

অমসুং অতে খুদম অমা স্বর্গদা উরে, অদুগা য়েংউ মকোক তরেৎ মচী তরা পানবা অমসুং মকোক তরেৎ অদুগী মথক্তা নিংথৌ লুহুপ উপ্পা অচৌবা অঙাংবা চিঙলাই (সৈতান) অমা অমসুং মাগী মমৈনা অতিয়াগী থৱানমিচাকশিংগী শরুক অহুমগী শরুক অমবু চিংশিন্দুনা পৃথিবীদা হুন্থরে। অদুগা নুপী অদুনা মচা পোক্লগা চীঙলাই অদুনা চাথোক্লনবা মচা পোক্কদৌরিবী অদুগী মাংদা লেপই। অমসুং মহাক্না মচা নিপা অমা পোক্লে, মচা নিপা অদুনা জাৎ পুম্নমকপু য়োৎকী চৈনা ঙাক- শেনগদবনি.

- ফোংদোকপীবা 12:3-5a

প্রভুগী দুতনা যৌষেফকী মমঙদা উহনবিদুনা হায়খি “হৌগৎতুনা অঙাং মচা অসিগা মমাগবু পুদুনা মিসোরদা চেল্লগা ঐনা হায়রদ্রিবা ফাওবা মফম অদুদা লৈয়ু মরমদি হেরোদনা অঙাং অসিবু মাঙহনগদবগী থিরক্কদৌরি”

মহাক্না হৌগৎতুনা অঙাং মচাগা মমাগবু অহিংদা পুদুনা মিসোর লৈবাক্তা চৎখ্রে। অদুগা হেরোদনা শিদ্রিবা ফাওবা মফম অদুদা লৈরম্মি।

অদুদগী হেরোদনা মহৈ হৈবশিংনা মহাকপু নমথাক তৌরম্মি হায়বা উরবদা য়াম্না শাওরদুনা বেৎলেহেম অমসুং মদুগী অকোয়বদা লৈবা চহি অনি শুবা অমসুং মদুগী মখাগী নিপামচা মখৈবু মী থাদুনা হাৎহনখ্রে

- মাথি 2:13b-15a, 16a

অদুগী মতুংদা অঙাং অদু অসুম চাওখৎলক্কুনা মপাঙ্গল কল্লকই, অমসুং লৌশিংনা থল্লকই, ঈশ্বরগী থৌজাল্লসু ইবুংঙো মঙোন্দা লৈরম্মী। অমসুং ইবুংঙোগী মপা মমানা চহি চহীগী অরান- চাকখাংবা যেরুমলেমদা চৎলম্মি। অমসুং ইবুংঙোনা চহী তরানিথোয় শুরবদা মখোয়না যেরুমলেদা চৎলমই, মখোয়না অসুম হল্লকপদা নিপা মচা যীশুদি যেরুমলেমদা লৈহৌই...। অদুবু ইবুংঙোদি চৎমিন্নবা কাঙলুপ মরক্তা য়াওই নিংদুনা মখোয়না নোংমগী লম্বী চৎলক্লে, অদুগা মখোয়না ইবুংঙোবু কোয়থি থিরম্মী। অদুবু মখোয়না ইবুংঙোবু ফংদ্রবদা থির থিরদুনা যেরুমলেম তান্না হল্লক্লে ...। নুমিৎ হুম্নিগী মতুংদা মখোয়না ইবুংঙোবু ঈশ্বর নিঙনশঙ মনুংদা ওঝাশিংগী ৱা তাদুনা অমসুং মখোয়দা হংদুনা ময়াইদা ফল্লম্বা ফংলে। অদুগা অতাবা পুম্নমক্না ইবুংঙোগী হৈ- শিংবা অমসুং পাউখুম মখৈ অদুদা চমম্নরম্মি। অমসুং মখোয়না ইবুংঙোবু উরবদা ইঙক ঙক্লদুনা মমানা ইবুংঙোদা হায় "ইচানিপা নঙনা ঐখোয়দা অসুম্না তৌবা করিগীনো? য়েংউ, নপাগা ঐগনা নুংশা থীদুনা নঙবু থিরম্মি" মদুদা ইবুংঙোনা মখোয়দা হাই "নখোয়না ঐবু থিবা অসি করিগীনো? ঐদি ইপাগী য়ুমদা লৈফম থোকপমক্নি হায়বা নখোয়না খঙলমদ্রা?" অমসুং যীশু লৌশিংদা শাবান্দা অমসুং ঈশ্বরগা মীশিংগনা চানবা হেনগৎলম্মি। - লুক 2:40–49,52

মমিং যোহান কৌবা ঈশ্বরদগী থারকপা মী অমা ফাওরকই। মহাক্না হায়, "ঈশ্বরগী ৱা তাকথোকপা যিশাইয়না হায়খিবগুম্না, প্রভুগী লম্বী অদু চুমহল্লু হায়না লমজাওদা অমনা লাউরিবা খোঞ্জেল ঐনি"

অদুগী নোংঙাল্লগা যীশুনা মাঙোল্লোমদা লেঙলকপা উদুনা মহাক্না হায়, "য়েংউ, ঈশ্বরগী য়াউ মচা তাইবঙপানবগী পাপ পুবিবা অদু" অমসুং যোহান্না সাক্ষী পীদুনা হায় " থৱাই অদুনা র্স্বদগী খুনুগুম্না কুমথরকপা ঐনা উরে, অদুগা মসিনা ইবুংঙোগী থক্তা লৈবিরে। অদুগা ঐনদি ইবুংঙোবু খঙ্জলমদে অদুবু ঈশিংদা বাপ্টাইস তৌবিননবা ঐবু থারকপা ইবুংঙো মহাক অদুনা ঐঙোন্দা হায়, "থৱায় অদুনা কুমথরক্তুনা কনাগুম্বাগী মথক্তা লৈবিরিবা নঙনা উগনি, অসিমক্না থৱায় অশেংবদা বাপ্টাইস তৌবিবা ইবুংঙোনি। অমসুং ঐনা উরে অদুগা মসি ঈশ্বরগী মচা নিপা অদুনি হায়দুনা ঐনা শাক্ষী পীরে"। - যোহন 1:6,23,29,32-34

অমসুং যীশুনা বাপ্টাইস লৌরদুনা ঈশিংদগী হেক কারক্লে, অমসুং য়েংউ, স্বর্গ হাংদোক্লে, অমসুং ঈশ্বরগী থৱায়না খুনুগুম্না কুমথরক্তুনা ইবুংঙোগী মথক্তা লাকইবা অদু উজরে অমসুং য়েংউ, র্স্বগদগী খোঞ্জেল অমনা হায়রকই, "মসি ঐগী নুংশিরবা ইচা নিপানি, মঙোন্দা ঐনা য়াম্না পেল্লে"। - মাথি 3:16-17

অমসুং অথেন্বা মপু অদুনা লাক্কুনা ইবুংঙোদা হায়রে " নঙনা ঈশ্বরগী মচা নিপা ওইরবদি, নুংশিং অসি তল ওল্লু হায়না য়াথং পীয়ু"। অমসুং ইবুংঙোনা খুল্লকই " মসি ইদুনা লৈ তলতনা মীনা হিংলোই, তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী চিন্দগী থোক্লকপা ৱাহৈ খুদিং অদুতনা হিংগনি"।

মতুং অদুদা দিয়াবোলনা ইবুংঙোবু ঈশ্বর নিঙনশঙগী মতোল তোলেন্দা লেপহল্লগা, ইবুংঙোদা হায় " নঙনা ঈশ্বরগী মচানিপা ওইরবদি, চোংথজৌ মরমদি, ইদুনা লৈ, "ইবুঙো মহাক্না নঙগী মরমদা মাগী দুতশিংদা য়াথং পীবিগনি অমসুং নঙগী নখোঙ অদু নুংদা থেঙ্গায়দনবা মখোয়না নংবু মখুৎনা পমখৎপিগনি"

যীশুনা মঙোন্দা হায়রকই, অমুকসু অসুম্না ইদুনা লৈ। নঙনা প্রভু নঙগী ঈশ্বরবু চাং য়েংফরোই" অমুক্কা দিয়াবোলনা ইবুংঙোবু থোইদোক্না ৱাংখ্রবা চিঙ অমদা পুখৎত্তুনা তায়বঙপানবগী নিংথৌ লৈবাক পুম্নমক অমসু মখোয়গী মতিক মঙাল অদুবু ইবুংঙোদা উহল্লে হায়রগা "নঙনা লৈতানা ঐবু খুরুমজরগদি ঐনা পুম্নমক অসি নঙোন্দা পীবিগনি হায়না হায়রকই" মদুদা যীশুনা মঙোন দা হায়, " চৎখ্রো সৈতান" মরমদি অসি ইদুনা লৈ, নঙনা প্রভু নঙগী ঈশ্বর অদুবু খুরুমজগদবনি, অমসুং ইবুংঙো মহাক্তবু নিঙগদবনি" - মাখি 4:3-10

মরমদি ইবুংঙো মশানা থেন্বা ফংদুনা অৱা খাঙখিবা অদুনা অথেন্বা ফংবশিংবু পাংবিবা ইবুংঙোনা ঙম্মি। - হিব্রীয় 2:18

অমসুং গালীল সমুদ্রগী মপান্দা লাল্লকপদা ইবুংঙোনা সিমোন অমসুং অন্দ্রিয় সমুদ্রদা ঈন কোইহুন হুন্দুনা লৈরম্বা উরে, অদুদগী যীশুনা মখোয়দা হায়, লাকউ ইতুং ইল্লু, অদুগা ঐনা নখোয়বু মী ফাবশিং ওইহনগনি" খুদমক অদুমক্তদা মখোয়না ঈন থাদোক্লমদুনা ইবুংঙোগী তুংইনজরে অদুগা খরা লেঙথোক্লগা ইবুংঙোনা সেবদিগী মচা নিপা যাকোব অমসুং মাগী মনাও যোহান ঈন ফোত্তুনা হিনুংদা লৈরম্বা উরে খুদক অদুমক্তদা ইবুংঙোনা মখোয়বু কৌরে, অদুগা মখোয়না মখোয়গী মপা সেবেদিবু অনেকপা মীশিংগা লোয়ননা হিনুংদা থনমদুনা ইবুংঙোগী তু ং ইনজরে। - মার্ক 1:16-20

অদুগী নোঙাল্লকপদা ইবুংঙোনা গলীল তান্না লেঙনিঙলে অদুগা ফিলিপ্পু, ফংলদুনা ষীশুনা মাঙোন্দা হায়, ঐগী ইতুং ইল্লু" - যোহন 1:43

অসুম চৎলকপদা ইবুংঙোনা খজনা থীফমদা ফল্লিবা আলফিয়াগী মচানিপা লেবীবু উরদুনা মঙোন দা হায়, "ঐগী ইতুং ইল্লু"। মদুদা মহাক্লা হৌগৎতুনা ইবুংঙোগী তুং ইনজরে - মার্ক 2:14

ইবুংঙোনা অহিং নোংশোইবা ঈশ্বরদা হায়জদুনা লৈরম্মি। নোংঙাল্লবদা ইবুংঙোনা সেবোকশিংবু নাক্তা কৌরগা মখোয়দগী তরানিথোয়বু খনগৎলে, অদুগা মখোয়বু পাখোনচৎপা মমিংসু থোল্লে - লুক 6:12b-13

অকোয়বদা লৈবা লম অপুন্বদা ইবুংঙোগী মরমদা মিংচৎ শন্দোকখ্রে। অমসুং ইবুংঙোনা মখোয়গী লোয়শঙদা তন্বিবদা পুম্নমক্না ইবুংঙোবু থাগৎলম্মি। অমসুং ইবুংঙোবু য়োখৎখিবা নসরেৎ তান্না ইবুংঙো লেঙলক্লে, অমসুং পোথাবা নুমিত্তা ইবুংঙোগী হৌনবীগুম্না লোয়শঙদা লেঙশিন্দুনা, ইবুংঙোনা লাইরিক পান্নবা লেঙখৎলে অমসুং ঈশ্বরগী ৱা তাকথোকপা যিশাইয়াগী লাইরিক ইবুংঙোদা কৎশিল্লে, অদুগা ইবুংঙোনা লাইরিক অদু হাংদোক্লুনা ৱা অসি ইবা মফম ফংলে, “ প্রভুগী থৱায় ইথক্তা লৈরি, মরম অদুগীদমক ইবুংঙো মহাক্না লায়রবশিংদা অফবা ৱা পাউ শন্দোক্নবা ঐঙোন্দা থাউ হৈবিরে। অফাবশিংদা থাদোকপিবা অমসুং মিত্তাঙবশিংদা অমুক উবা লাউথোক্নবা, অশোকপা মীশিংবু মনিং তমহনবিনবা অদুগা প্রভুগী অয়াবা চহি অদু লাউথোক্নবা ঐবু থাবিরক্লে  মতুঙ অদুদা ইবুংঙোনা লাইরিক অদু কোনশিল্লগা থৌগনবা মীদা অমুক পীদুনা ফমথরে, অমসুং লোয়শঙদা লৈবা পুম্নমক্না ইবুংঙোদা মিৎফম অমত্তা ওইনা য়েংলে। মদুদা ইবুংঙোনা মখোয়দা হায়বা হৌরে, নখোয়না তাবদা “ঙসি শাস্ত্রগী ৱা অসি থুংলে। “অমসুং মখোয় পুম্নমক্না ইবুংঙোগী মরমদা অফবা ঙাংনরম্মি অদুগা ইবুংঙোগী চিন্দগী থোকপা থৌজানগী ৱা অদুদা ইঙক ঙকনরম্মি।

- লুক 4:14-22a

অমসুং মখোয়না যেরুমলেমদা লাক্লগা ইবুংঙোনা ঈশ্বর নিঙনশঙদা লেঙশিন্দুনা শঙ মনুং অদুদা লৈরি - য়োল্লিবা মখোয়বু তান্থোকপা হৌরে অমসুং শেল কায়বশিংগী মেজসু খুনু য়োনবশিংগী ফমফমসু মথক মখা ওন্থোক্লে।

## যীশুনা পাপকী মরমদা তম্বিবা

"অদু গুম্বদুনা নখোয়সু মপান্দদি মীশিংদা ধর্ম্মচেনবা ওইনা উহল্লি, তৌইগুম্বসুং মনুংদদি অফশজনিঙবা অমসুং ৰায়েল চৎতবনা পিক থল্লি"। - মাথি 23:28

"তৌইগুম্বসুং চিন্দগী থোক্লককপা পোৎশিং অদু পুক্লিংদগী লাকপনি, অমসুং মখোয় অদুনা মীবু মাংহল্লি, মরমদি ফত্তবা ৰাখল, মী হাৎপা, মীতু-মীৰা ঙাংন্নবা, মরুপ্পী থম্বা, হুরানবা, অরানবা সাক্ষী পীবা, থীনা ঙাংবা, অসি পুক্লিঙদগী থোক্লকই। - মাথি 15: 18-19

অদুগা ঈশ্বর নিঙনশঙ মনুংদা কনাগুম্বনা ফু-ৰাল পুবা ইবুংঙোনা য়াবিদে। অমসুং ইবুংঙোনা তম্বীদুনা হায়রকই " ঐগী শঙবু জাৎপুম্নমক্কীদমক হায়জনবা শঙ কৌগনি, হায়দুনা মসি ইখিবা নত্র? তৌইগুম্বসুং নখোয়না মদু দাকুশিংগী মকোল ওইহল্লি - মার্ক 11:15,17

যীশুনা মখোয়দা খুল্লে, "ঐনা নখোয়দা থাঙ্গৈশেংনমক হায়রিবনি, পাপ তৌবা মী খুদিংমক পাপকী মীনাইনি মরম অদুনা মচানিপা অদুনা নখোয়বু ননিঙ তমহল্লবদি, নখোয়না অওইবমক ননিঙ তমগনি" - যোহান 8:34,36

যীশুনা ...মঙোন্দা খুন্নকই "ঐনা নঙোন্দা থাঙ্গৈশেংনমক হায়রিবনি, কনাগুম্বনা নৌনা পোক্তবদি, মহাক্না ঈশ্বরগী লৈবাক অদু উবা ঙমদে, "নখোয়না নৌনা পোকপা তারে" হায়দুনা ঐনা নঙোন্দা হায়খিবা অদুদা ঙক্কনু মরমদি ঈশ্বরনা তাইবঙপানববু অসুপ নুংশিবিরে, হায়বদি, ইবুংঙো মহাক্কী অমতা ঙায়বা মচানিপা অদুবু পীবিরে, অদুনা মচানিপা অদুবু থাজবা মী খুদিংনা মাঙদদুনা, লোন্বা নাইদবা হিংবা ফংননবনি" - যোহান 3:3,7,16

"ঐনদি মখোয়না হিংবা ফংননবা অমসুং মাদু মরাং কাইনা ফংননবা লাক্লে"। - যোহান 10:10b

"অমসুং অমত্তা ঙায়বা অচুম্বা ঈশ্বর ইবুংঙোবু অমসুং ইবুংঙোনা থারকপা যীশু খৃষ্টবু মখোইনা খঙবা মসি লোন্বা নাইদনা হিংবা অদুনি"।

- যোহান 17:3

"মরমদি মপানা অশিবশিংবু হৌগৎহন্দুনা হিংহনবা অদুগুম্না মচানিপা অদুনসু মহাক্না হিংহন্নিঙবা মখোয় অদুবু হিংহল্লি। ঐনা নখোয়দা থাঙ্গৈশেংনমক হায়রিবনি ঐগী ৱা তাবা অমসুং ঐবু থারকপা ইবুংঙো মহাকপু থাজবা মহাক অদুনা লোন্বা নাইদবা হিংবা ফংলে, অদুগা ৱায়েনবদা মহাক য়াওররোই তৌইগুম্বসুং মহাক্তী অশিবদগী অহিংবদা লান্থোকলে" - যোহান 5:21, 24

মরম অদুগীদমক কনাগুম্ব মীনা খৃষ্টদা লৈরবদি, মহাক্তি অনৌবা খুৎশেম্নি, অরিবা পোৎ লান্থোকখ্রে, য়েংউ পোৎ মখৈ ইনৌ নৌরক্লে। - ২ কোরিন্থীয় 5:17

অসুম তৌনা সুখর কৌবা সমরিয়াগী খুন্দা ইবুংঙোনা লেঙলকই ... অদুনা যীশুনা লমচৎপদা ৱারদুনা গুহা অদুগী মনাক্তা অসুম ফম্লমই ... সমরিয়াগী নুপী অমনা ঈশিং শোক্লবা লাকই। যীশুনা মঙোন্দা হায় "ঐঙোন্দা থক্লবা ঈশিং পীবিয়ু "... অদুদগী সমরিয়াগী নুপী অদুনা ইবুংঙোদা হায় "নহাক্তি যিহুদি মী ওইরগা সমরিয়া নুপী ওইবী ঐঙোন দগী করম্না থক্লবা ঈশিং নিরিবগে? "মরমদি যিহুদিশিংনা সমরিয়াগা শম্নদে। যীশুনা মঙোন্দা খুম্লকই, নঙনা ঈশ্বরগী খুদোল অদু অমসুং ঐঙোন দা থক্লবা ঈশিং পিবীয়ু হায়না নঙোন্দা হায়বা অদু কনানো খঙলম্লবদি, নঙনা মঙোন্দগী নিরমগদবনি, অদুগা মহাক্না নঙোন্দা অহিংবা ঈশিং পিবিরমগদবনি... ঈশিং অসি থকপা মী খুদিংনা অমুক খৌরাংগনি। অদুবু ঐনা পীগদবা ঈশিং অদু অথক অথকপা মখৈনা খক খৌরাংলোই, তৌইগুম্বসুং ঐনা পীগদবা ঈশিং অদু লোন্বা নাইদনা হিংনবগীদমক থোক্লকপা ঈশিংগী ঈফুৎ মঙোন্দা ওইরক্কনি" - যোহান 4:5-10,13-14

যীশুনা লেপ্তুনা লাউনা হায়রকই, "কনাগুম্বা মীনা খৌরাংলবদি, মহাক্না ঐঙোন্দা লাক্তুনা থকচসনু, ঐবু থাজবা মহাক অদুনা শাস্ত্রনা হায়খিবগুম্না, মহাক্কী পুক্নুংদগী হিংলিবা ঈশিং তুরেল ময়াম চেনগনি" অদুবু ইবুংঙোবু থাজরবশিংনা ফংগদৌরিবা থৱায় অদুগী মরমদা ইবুংঙোনা অসি হায়বনি - যোহান 7:37b-39a

মরম অসিনা ঐগী ৱাশিং অসি তারগা তৌবা মী খুদিংমকপু নুংজাও মথক্তা যুম শাবা অশিংবা মী অমগা চাংদম্নগনি অমসুং নোং কন্না তারক্তুনা ঈশিং ইচাউ লাক্লে, নুংশিৎ শিৎলে, অমসুং যুম অদুদা য়ৈরে, অদুবু নুংজাউ অদুগী মথক্তা হৌবা মরম্না তুখিদে। অমসুং ঐগী ৱাশিং অসি তারগা তৌদবা মী খুদিংমকপু লৈঙোই মথক্তা যুম শাবা অপঙবা মী অমগা চাংদম্নগনি অমসুং নোং কন্না তার ক্তুনা ঈচাও লাক্লে, নুংশিৎ শিৎলে, অমসুং যুম অদুদা ফুজিন্দুনা মদু তুখি, অমসুং মাদু মতু মীনা তুখি। - মাথি 7:24-27

“ নখোয়গী নরক্তা মী অমগী য়াউ চামা লৈবা অদুদগী য়াও অমা মাঙখ্রবদা, লমজাউদা মরিফুতরা- মাপল অদু থনমদুনা মাঙখিবা অদু ফংদ্রিবা ফাওবা থিরুরোইদবা কনানো? অমসুং মহাক্না মাদু মরেংবান্দা থোংগৎলি অদুগা মহাক্না ময়ুমদা লাক্লবদা মহাক্কী মরুপ মপাং অমসুং কৈরোয় লৈকায়বু কৌশিন্দুনা মখোইদা হায় “ঐগা হরাওমিন্নসি, মরমদি ঐগী মাঙখিবা য়াউ অদু ফংজরে। ঐনা নখোয়দা হায়রি, মতৌ অসুম্না পুক্নিং হোংবা কান্নদবা ধর্ম্মচেনবা অমনা পুক্নিং হোংবা অদুগীদমক স্বর্গদা হরাওবা ওইগনি” - লুক 15:4-7

অমসুং মীয়ামশিং অদু উরদুনা ইবুংঙোনা চিঙদা লেঙখৎলে... অদুগা ইবুংঙোনা য়া কাথোক্কুনা মখোয়দা তন্বিবা হৌরে, থৰায় তোনবশিং অদু য়াইফবনি, মরমদি স্বর্গ লৈবাক অদু মখোয়গীনি। তেংথারিবশিং অদু য়াইফবনি,মরমদি মখোয়বু নুংঙাইহনবিগনি। পুক্নিং তপ্পশিং অদু য়াইফবনি, মরমদি পৃথিবী অসি মখোয়না ফংফম থোকই। ধর্ম্মচেনবগীদমক অরাম খৌরাংলিবশিং অদু য়াইফনি, মরমদি মখোয়বু থলহনবিগনি। নুংশিহৈবশিং অদু য়াইফবনি, মরমদি মখোয়না নুংশিবিবা ফংগনি। পুক্নিং অশেংবশিং অদু য়াইফবনি, মরমদি মখোয়না ঈশ্বরবু উজগনি। তপথবা পীবিবশিং অদু য়াইফবনি, মরমদি মখোয়বু ঈশ্বরগী মচাশিং কৌগনি। ধর্ম্মচেনবগীদমক অৱাবা ফংলবশিং অদু য়াইফবনি, মরমদি স্বর্গ লৈবাক মখোয়গীনি। ঐগী মরমগীদমক মীশিংনা নখোয়বু চৈরবা অমসুং ওৎ- নৈরবা অদুগা নখোয়গী নথক্তা ফত্তবা পুম্নমক থৈজিল্লবদা নখোয় য়াইফবনি। হরাওজৌ অমসুং থোইদোক্না নুংঙাইজৌ মরমদি স্বর্গদা নখোয়গী মনা চাওই" - মাথি 5:1-12a

"ঈশ্বরগী ৱা তাদুনা ঙাকপশিং অদুনা য়াইফবনি" - লুক 11:28b

"উদ্রবসু থাজরবা মখোয় অদু য়াইফবনি " - যোহান 20:29b

"অমসুং ঐঙোন্দা খুদি থীদবা মহাক অদু য়াইফবনি। - লুক 7:23

মীওইবনা তত্তনা হায়জবা অমসুং পুক্নিং হন্থদনবা তৌবা তারে। - লুক 18:1b

“মী অনিনা হায়জননবা ঈশ্বর নিঙনশঙদা কারে, অমদি ফরিশিনি অদুগা অতোপ্পা অদুদি খাজনা থৌবনি। ফরীশী অদুনা লেপ্পুনা মশা মথন্তনা অসুম্না হায়জে, হে ঈশ্বর ঐনা ইবুংঙোবু খুরুমজরি, মরমদি ঐদি নমজা নমথেক্লবা ধর্ম্মচেন্দবা, নুপী লান্নবা অতৈ মীশিংগুম্বা নৎচদে, অদুগা খাজনা থৌবা মী অসিগসু মান্নবা নত্তে।... ঐদি চয়োন্দা অনিরক চরা হেল্লি। ঐনা ফংজবা পোৎ পুম্ন মক্তগী শরুক তরাগী অমা কৎচৈ। অদুবু খাজনা থৌবা অদুনা থাপ্না লেপ্লগা, স্বর্গরোমদা মমিৎ ফাওবা পাঙখৎনিঙদে, অদুবু মথবাক য়ৈদুনা হায়জে, হে ঈশ্বর পাপচেনবা ঐঙোন্দা থৌজানবিয়ু, ঐনা নখোয়দা হায়রি, অতোপ্পা অদু নত্তে, অদুবু মী অসি ধর্ম্মচেনবনি হায়না শীংথাবিদুনা ময়ুমদা কুমখ্রে, মরমদি মশাবু চাউহঞ্জবা মী খুদিংবু নোলহনগনি, অদুগা মশানা নোল্লুকচবা মহাক অদুবু চাউহনবিগনি। - লুক 18:10-14

“ পৃথিবীদা নখোয়গী নরক্তগী অনিনা করিগুম্বা অমা নিজগদবা অদুগী মরমদা মপুক্নিঙ তিন্নজরবদি, ঐগী স্বর্গদা লৈবা ইপানা মখোয়দা মাদু ওইহনবিগনি। মরমদি ঐগী ইমিংদা অনি অহুম পুন্না তিন্নবা মফম অদুদা ঐনা মখোয়গী মরক্তা লৈ।” - মাথি 18:19b-20

“ অদুগা নখোয়না থাজদুনা ঈশ্বরদা য়াজবদা করিগুম্বা নিজবা পুম্নমক অদু নখোয়না ফংজগনি ।

- মথি 21:22

মতম অদুদা যীশুনা মহাক্কী সেবোকশিংদা হায়রম্মি, “কনাগুম্বনা ঐগী ইতুং ইন্নিংলবদি, মহাক্না মশা মতোম্মতবু য়াজদসনু, মহাক্কী ক্রোস লৌখৎসনু অমসুং ঐগী তুং ইঞ্জসনু। মরমদি মথৱায় কঞ্জনিঙবা কনাগুম্বনা মাদু মাঙজগনি, অদুগা ঐগী মরমগীদমক মথৱায় মাঙজবা কনাগুম্বা অদুনা মাদু ফংজগনি। মরমদি মী অমনা তাইবঙপাল অপুম্বা ফংজরগা মাগী থৱায় মাঙজরবদি, মাগী করি তোংজবগে”

- মাথি 16:24-26a

“ মরম অসিনা অদুগুমদুনা নখোয়গী নরক্তগী মাগী লৈজবা পুন্নমক থাদোক্তবা কনা কনাগুম্বা অদু ঐগী সেবোক ওইবা ঙমদে”। - লুক 14:33

“ নখোয়না ঐবু নুংশিরবদি, ঐগী য়াথং পুন্নমক নখোয়না ঙাক্কনি।” - যোহান 14:15

“ঐনা নখোয়বু নুংশিরবা অদুগুম্না নখোয়নসু অমগা অমগা নুংশিনৌ হায়বা অসি ঐগী য়াথংনি।

- যোহান 15:12

“নখোয়না অমগা অমগা নুংশিনবা লৈরবদি অসিনা মী পুন্নমক্না নখোয় ঐগী সেবোকনি হায়বা খঙগনি”। - যোহান 13:35

অদুদগী যীশুনা থাজরবা যিহুদিশিং অদুদা হায়, “নখোয়না ঐগী ৱা অদুদা ইতত্তনা লৈরবদি, নখোয় ঐগী অচুম্বা সেবোকনি”। - যোহান 8:31

“নখোয়না মহৈ য়াম্না পান্দুনা অসুম ঐগী সেবোক ওইবা অসিদা ঐগী ইপানা মতিক মঙাল ফংই”। - যোহান 15:8

"ঐঙোন্দা প্রভু প্রভু হায়বা মী খুদিংমক্তা স্বর্গ লৈবাক্তা চংলোই, তৌইগুম্বসুং স্বর্গদা লৈবা ইপাগী নিঙবা তৌরিবা মী অদুনা চংগনি"। - মাথি 7:21

"নখোয়না ওনশিল্লক্তুনা অপীকপা অঙাংশিগুম্না ওইরকপা নত্তনদি, স্বর্গ লৈবাক্তা সুপচং চংলোই"

- মাথি 18:3b

ঙ অদুদা চংউ মরমদি অমাঙবদা তানবা থোঙ অদু লাওই, অদুগা লম্বী অদু পাকই মদুদা চংবা মী য়ামই মরমদি হিংনবা থোঙ অদু খুই অদুদা লম্বী অদু চপই, অমসুং মাদু ফংবা মী য়ামদে"।

- মাথি 7:13-14

"তাইবঙপানবগী অরোইবদা মতৌ অদুগুম্না ওইরগনি। স্বর্গদুতশিংনা লাক্তুনা ধর্ম্মচেনবশিংগী মরক্তগী ফত্তবশিংবু খাইদোক্লগা, মখোয়বু মৈগী কোমদা লংশিনগনি। মফম অদুদা কপ্পা অমসুং ময়া ক্রক ক্রক চিকপা ওইগনি।

- মাথি 13:49-50

"নখোয়গী পুক্নিং ওলাং ওনশাওবা তৌদসনু ঈশ্বরবু থাজৌ, ঐবুসু থাজৌ। ঐগী ইপাগী য়ুমদা লৈফম য়াম্না লৈ, মদু নৎলমদ্রবদি ঐনা নখোয়দা হায়বিরমগদবনি, মরমদি ঐনা নখোয়গীদমক মফম থৌরাং তৌননবা চৎলি। অমসুং ঐনা চত্তুনা নখোয়গীদমক মফম থৌরাং তৌরবদি, ঐনা লৈবা মফম অদুদা নখোয়সু লৈননবা, ঐনা অমুক লাক্তুনা নখোয়বু ইনাক্তা পুবিগনি।" - যোহান 14:1-3

"স্বর্গদগী কুমথরক্লবা হিংলিবা অচাপোৎ অদু ঐনি, কনাগুম্বনা অচাপোৎ অসিদগী চারগনি লোম্বা নাইদনা হিংগনি, অমসুং তাইবংপানবনা হিংননবগীদমক ঐনা পীগদবা অচাপোৎ অদু ঐগী ইশানি।" - যোহান 6:51

"ঐদি থোঙ অদুনি, ঐঙোন্দা কনাগুম্বা মী চংলবদি, মহাকপু কনবিগনি, অদুগা মহাক্না চথোক চৎশিন তৌদুনা শজিক চাফম ফংজগনি। ঐদি অফবা য়াউশেনবা অদুনি। অফবা য়াউশেনবা অদুনা য়াউশিংগীদমক মথৱায় থাবি"।

- যোহান 10:9,11

"লম্বী অদুসু অচুম্বা অদুসু হিংবা অদুসু ঐনি, ঐগী ইপান্না নত্তনদি, মী কনা অমত্তনসু ইপাগী মফমদা থুংদে।" - যোহান 14:6b

" ঐদি তাইবঙ পানবগী মঙাল্নি, ঐগী ইতুং ইল্লিবা মহাক অদুনা অমম্বদা চৎলরোই, অদুবু হিংবগী মঙাল অদু ফংজগনি।" - যোহান 8:12b

"হিঙ্গৎপা অদু অমসুং হিংব অদু ঐমক্নি, ঐবু থাজবা মী অদুনা শিরবসু হিংগনি

- যোহান 11:25b

"নখোয়না ঐবু গুরু অমসুং প্রভু কৌই, অদুগা নখোয়না চুম্না হায়বনি, মরমদি ঐ মদূমক্নি"

- যোহান 13:13

মখোয় পুম্নমক্না হায় "নঙদি ঈশ্বরগী মচা নিপারা? অদুগা ইবুংঙোনা মখোয়দা হায়, ঐনি নখোয়না হায়বগুম্না "। - লুক 22:70

অমসুং য়েংউ, কুষ্ঠী থুংবা অমনা ইবুংঙোগী নাক্তা লাক্লগা খুরুমজদুনা হায়, হে প্রভু, ইবুংঙোনা য়াবিরবদি, ঐবু শেংহনবিবা ঙম্মি"। অমসুং ইবুংঙোনা খুৎ তিংথোক্লগা মাবু শোকপিদুনা হায় "ঐনা য়ারে নহাক শেংজরো" অমসুং খুদক অদুমক্তদা মাগী কুষ্ঠী লায়না অদু শেংখ্রে।

- মাথি 8:2-3

অমসুং য়েংউ, চহী তরানিপাল শোলহনবগী থৱায়না লৈবী নুপী অমা মনম পোন্দুনা, মশা মথন্তা চিংখৎচবা সুপঙম ঙল্লমদে। অমসুং যীশুনা মহাকপু উবদা কৌদুনা মাঙোন্দা হায় নুপী নংগী শোনবদগী নঙবু থাদোকপীরে। অদুগা ইবুংঙোনা মহাক্কী মথক্তা খুৎথন্বীবা খুদক অদুমক্তদা মহাক তিংখৎলক্লে, অমসুং ঈশ্বর থাগৎচরকই। - লুক 13:11-13

অমসুং মীয়াম য়াম্না ইবুংঙোদা লাক্তুনা মখোয়গা লোয়ননা খোঙ তেকপা, খুৎ শোয়বা, মিত্তাঙবা, লোন থোক্তবা অমসুং অতৈ য়াম্না পুরক্তুনা ইবুংঙোগী খুয়াদা হেক থমজররে, অমসুং ইবুংঙোনা মখোয়বু ফহনবিরে। - মাথি 15:30

মতম অদুদা সিমোনগী মনেম্বোক অরুম হৌদুনা হিপ্লমই, অমসুং মখোয়না মাগী মরমদা ইবুংঙোদা হেক তম্মি। অদুগা ইবুংঙোনা লেঙশিল্লগা, মখুৎ পায়দুনা মাবু হৌগৎপিরে, অমসুং মাগী অরুম কোকখ্রে, অদুগা মহাক্না মখোয়বু থৌগন তৌজরকই। - মার্ক 1:30-31

অদুগা ইবুংঙোনা মীয়াম অদুবু নাপী মথক্তা ফম্মু হায়দুনা য়াথং পীরগা তন্দুম মঙা অমসুং ঙা অনি অদু লৌরে, অদুগা স্বর্গদা য়েংখত্তুনা বোর পীবিরে, অমসুং থুগাইদুনা তলশিং অদু সৈবোকশিংদা পীরগা সেবোকশিংনা মাদু মীয়ামদা পীরম্মি। অমসুং মখোয় পুন্নমক্কা চাদুপনা মপুক থল্লে, মখোয়না অরেম্বা মচেৎ মকায় অদু খুনগৎপদা থুমুক তরানিথোয় থল্লি। অদুগা চাবা মখোয় অদু নুপী অঙাং থাদনা নিপা লিশিং মঙারোম ওইরম্মি।

- মাথি 14:19-21

অহিংগী য়ুথক মরি তাবা মতমদা ইবুংঙোনা শমুদ্র মথক্তা খোঙনা চৎতুনা মখোয় তান্না লেংলকই। সেবোকশিংনা ইবুংঙোনা সমদ্র মথক্তা খোঙনা লেঙবা উবদা পাখত্তুনা হায়রকই, "মসি তম্নবা লাইনি," অমসুং কিদুনা মখোইনা লাউরকই। অদুবু যীশুনা খুদক অদুদা মখোয়দা হায়রকই, পুক্নিঙ লুম্না লৈয়ু, ঐনি, কিগনু"

- মথি 14:25-27

অমসুং অকনবা নোংনুংশিৎ লাক্তুনা ইথক্লা হি অদু য়ৈরে, অদুনা হি অদু থনগদৌরে। অদুগা ইবুংঙোদি হিরুদা লৈদুনা মোন্দা তুম্লম্মি, অমসুং মখোয়না ইবুংঙোবু হৌদোক্তুনা হায়জৈ, গুরু, ঐখোয় মাঙলিবশি ইবুংঙোনা থৌওইবিরোইদ্রা? মদুদা ইবুংঙোনা লেঙখৎলক্তুনা নুংশিৎ অদুবু খামজিল্লগা সমুদ্রদা হায়রকই তপথৌ তুমিন্না লৈয়ু। অদুগা নুংশিৎ অদু তোকখিদুনা য়াম্না তপথখ্রে।

- মার্ক 4:37-39

"তৌগুন্নসুং মীগী মচানুপা অদুনা তাইবঙপান্দা পাপশিংবু কোকপিনবা মতিক লৈ হায়বা নখোয়না খঙননবা"..... মহাক্না নাকল নামা শিথবা অদুদা হায়রকই, "হৌগৎলো, নঙগী ফমুং লৌখত্তুনা নয়ুমদা চৎলু অমসুং মানা হৌগৎতুনা ময়ুমদা চৎখ্রে।

- মাথি 9:6-7

অমসুং ইবুংঙোনা নুপী অদুদা হায় নঙগী পাপ খিবিক কোকপিরবনি। মদুদা ইবুংঙোগা চাবদা ফমিন্নরিবশিংনা মখোয় মশেন মরক্তা ঙাংনবা হৌরে পাপফাওবা কোকপিবা অসি কনানো"?

- লুক 7:48-49

" মরম অদুনা ইচিন ইনাওশা, মসি নখোয়না খঙবিয়ু, হায়বদি, ইবুংঙো অসিগী মাপান্না পাপ কোকপিবা নখোয়দা শন্দোকচবনি। অমসুং মৌশিগী ৱায়েল য়াথং অদুগী মপান্না নখোয়বু চুমহনবিবা।"

- পাখোন - থবক 13:38-39

ইবুংঙোগী ঈগী মপান্না হন্দোকপিবা হায়বদি ঐখোয়গী অয়োল অরাল কোকপীবা ইবুংঙো মহাক্কী থৌজানগী অয়াম্বা মতুং ইন্না ইবুংঙোদা ঐখোয়না ফংজৈ।

- এফিসা 1:7

ঐখোয়না ঐখোয়গী পাপ হায়দোকচরবদি, ঐখোয়গী পাপ কোকপিননবা অমসুং ধর্ম্মচেন্দবা পুন্নমক্তগী ঐখোয়বু শেংবিননবা, ইবুংঙো মহাক্তি থাজবা য়াবা অমসুং অচুম্বনি চুমহনবিবা ঙমদবা পুন্নমক অদুদগী ইবুংঙোগী মপান্না থাজবা মী খুদিংবু চুমহনবি।"

- যোহান 1:9

অমসুং লোয়শঙদা শেংদবা ভুৎকী থৱায় চঙবা মী অমা লৈরম্মি, অদুগা মানা খোঞ্জেল ৱাংনা লাউরকই, হা !নাসরেৎকী যীশু নঙগা ঐখোয়গা করি থোক্লবা লৈবগে? ঐখোয়বু মাঙহন্ননবা লাকপ্র? ঐনা নঙ কনানো হায়বা খঙই, ঈশ্বরগী অশেংবা অদুনি। মাদুদা যীশুনা মাবু খামজিন্দুনা হায় তুমিন্না লৈয়ু, অদুগা মাঙোন্দগী থোকখ্রো। অমসুং ভুৎ অদুনা মাবু ময়াইদা হুন্থরগা, মাবু করিসু শোক্তনা মঙোন্দগী থোকখ্রে। মাদুদা পুম্নমক্তা অঙকপা থোক্লদুনা, মখোয় অমগা অমগা হায়রকই, ৱা অসি করিনো? মরমদি মতিক্কা মপাঙ্গলগা য়াওনা ইবুংঙোনা শেংদবা থৱায়শিংদা য়াথং পীরগা মখোয়না চৎথোকই। - লুক 4:33-36

অমসুং মানা লাক্লিঙৈদা, ভুৎ অদুনা মাবু ঈন্থুদুনা ৱানা নোইহৎলে। তৌইগুম্বসুং যীশুনা শেংদনা থৱায় অদুবু খামজিন্দুনা নিপামচা অদুবু ফহনবিরগা মাবু মপাদা অমুকপিবিরে। অমসুং মখোয় পুম্নমক্লা ঈশ্বরগী অচৌবা মতিক অদুদা ইঙক ঙক্লম্মি। - লুক 9:42-43a

“মদুদি নসরেৎকী যীশুগী ৱানি, করম্না ইবুংঙোবু ঈশ্বরনা থৱায় অশেংবগা পাঙ্গলগনা থাউ হৈবিরগা, ইবুংঙোনা কোয়চৎ চত্তুনা অফবা থবক তৌরম্বগে অমসুং দিয়াবোলনা লৈরিবা পুম্নমকপু ফহনবিরম্বগে হায়বদুনি মরমদি ঈশ্বরনা ইবুংঙোগা লোয়নবিরম্মি ” - পাখোন - থবক 10:38b

যীশুনা হায় নুং অদু লৌথোকখো। অশিবা অদুগী মচেম মার্থ অদুনা ইবুংঙোদা হায়, “প্রভু, মতম অসিদা হকচাং অদু নমথীরগনি, মরমদি মহাক মরিনি শুম্খ্রে।” যীশুনা মাঙোন্দা হায়, “নঙনা থাজরবদি, ঈশ্বরগী মতিক মঙাল উজগনি ঐনা নঙোন্দা হায়দ্রা?...অমসুং ইবুংঙোনা ৰা অসি হায়রগা, খোঞ্জেল লাউনা হায় লাসার, থোক্লকউ। অশিবা অদুনা মখোঙ মখুৎ ফিনা পুন্দুনা থোক্লক্লে..... যীশুনা মখোয়দা হায়, মহাকপু থোকপিদুনা চৎহল্লু”। - যোহান 11:39-40,43-44

য়েংউ ৰায়েল থৌদাবা মপু অমনা ইবুংঙোদা লাক্লগা, খুরুমদুনা হায়জরকই, “ঐগী ইচা নুপী হৌজিক্তা শিবতা ঙায়রি, তৌইগুম্বাসুং লেঙবিরক্তুনা ইবুংঙোগী খুৎনা মাঙোন্দা থম্বিয়ু অমসুং মানা হিংজগনি”। অমসুং মীয়াম অদু থোকহনখ্রবদা, ইবুংঙোনা মনুংদা লেঙশিন্দুনা মাগী মখুৎ পায়খৎলুরে, অমসুং নুপীমচা অদু হিংগৎলে।

- মাথি 9:18b,25

অদুগা ইবুংঙোনা সহর অদুগী পন্থোঙদা নকশিনলক্লবদা য়েংউ, অসিবা অমা পুথোক্লম্মি, মহাক্তি মমাগী অমত্তা ঙায়জবা মচানিপানি। মমাসু লুখ্রাবিনি, অমসুং সহর অদুগী ওখাক য়াল্লবা মী য়াম্না মমা অদুগা লোয়নরম্মি। অদুদা প্রভুনা নুপী অদুবু উবদা মঙোন্দা নুংশিবা পোক্লদুনা, ইবুংঙোনা মাঙোন্দা হায়, “কপকনু”। অদুগা ইবুংঙোনা নক্লা লেশিল্লক্তুনা, কু অদু শোকপদা পুবশিংনা লেপলে। মাদুদা ইবুংঙোনা হায় পাখং, ঐনা নঙোন্দা হায়রি, হৌগৎলু। অদুগা অসিবা অদুনা হৌগত্তুনা ফমসু ফল্লে, ৰাসু ঙাঙবা হৌরে

- লুক 7:12-15a

যীশুনা মহাক্কী সেবোকশিংদা হংলকই, ‘‘মীশিংনা মীগী মচানিপা অদুবু কনানি হায়নবগে?’’ অদুগা মখোয়না হায়রকই, ‘‘ খরনা বাপটাইস তৌবিবা যোহান অদুনি, খরনা এলিয়ানি, অমসুং অতৈশিংনা য়িরমিয়ানি নত্রগা ঈশ্বরগী ৱা তাকথোকপশিংগী অমনি, হায়’’ ইবুংঙোনা মখোয়দা হায়, ‘‘অদুবু নখোয়নদি ঐবু কনানি হায়নবগে?’’ অমসুং সিমোন পিতরনা খুল্লকই, ‘‘ইবুংঙো নহাক্তি অহিংবা ঈশ্বরগীমচানিপা, খৃষ্ট অদুনি ’’ অদুদা যীশুনা মাঙোন্দা খুল্লকই, ‘‘সিমোন বার্যোনা, নঙদি য়াইফে। মরমদি স্বৰ্গদা লৈবা ঐগী ইপা নত্তনা ঈ- তোং য়াওবনা মসি নঙোন্দা ফোংদোক্লন্বা নত্তে’’ - মাথি 16:13b-17

অমসুং মখোয় অয়ান্বনা হায়রকই, ‘‘মহাক ভুৎ পুদুনা ঙাওবনি, মখোয়না মহাক্কী ৱা করিগী তাবসে’’ অতৈশিংনা হায়রকই, ‘‘অসি ভুৎ পুবা মীগী ৱাহে নত্তে। ভুৎনা মিত্তঙবগী মমিৎ পাঙহনবা ঙন্ব্র’’?

- যোহান 10:20-21

ইবুংঙোনা তৌবিরবা অদু য়েংলবা যিহুদিশিং অয়ান্বা ইবুংঙোদা থাজরে, অদুবু মখোয়গী মরক্তগী খরনা ফরীসিশিং তান্না চৎখিদুনা যীশুনা তৌখিবা অদু তল্লুরে, অদুনা নুমিৎ অদুদগী হৌনা মখোয়না ইবুংঙোবু হাৎননবা ৱা তানরে। - যোহান 11:45-46,53

‘‘মরম লৈতনা মখোয়না ঐবু তুক্কচরে’’।

- যোহান 15:25b

অমসুং মীগী মচানিপা অদু অয়ান্বা অৱা অনং ফংবা তাই, অহললমনশিং, অথোইবা পুরোহিৎশিং অমসুং শস্ত্রগী ওঝাশিংগী য়াদবা খাঙবা তাই। মহাকপু হাৎপা তাই, অদুগা মহাক্না নুমিৎ হুম্নি শুরগা হিংগৎপা তাই হায়বা মখোয়দা ইবুংঙোনা তম্বিবা হৌরে। - মার্ক 8:31

"অমসুং ঐমকপু লৈপাক্তগী থাঙ্গৎলবদি, মী পুম্নমকপু ইশাগী নাক্তা ঐনা চিংশিনগনি" তৌইগুম্বসুং ইবুংঙোনা হায়বা অসিদি ইবুংঙেনা শিগদৌরিবা অদু মতৌ করম্না শিগনি হায়বা খঙহনবনি।

- যোহান 12:32-33

যীশুনা মখোয়দা খুল্লে, "অশেংবা মফম অসি মাঙহল্লু, অদুগা ঐনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা হৌগৎহনগনি" মরম অদুনা যিহুদিশিংনা হায় অশেংবা মফম অসি শাবদা চহি নিফু- তরুক চংখি, অদুগা নহাক্নদি নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা হৌগৎহনগেরা অদুবু ইবুংঙোনদি ইবুংঙোগী হকচাং অশেংবা মফম ওইবগী মরমদা হায়রম্মি। মরম অদুনা ইবুংঙোনা অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপদা, ইবুংঙোনা অসি হায়রম্মি হায়না ইবুংঙোগী সেবোকশিংনা নিংশিংলে।

- যোহান 2:19-22a

"মরমদি যোনানা অহিং নুংথিল নুমিৎ হুম্নি অচৌবা ঙাগী মপুক মনুংদা লৈরম্বা অদুগুম্না মীগী মচানিপা অদুনসু অহিং নুংথিল নুমিৎ হুম্নি লৈপাক্কী মপুক মনুংদা লৈগনি"। - মাথি 12:40

"অদুবু ঐবু হিংগৎপিরগা, ঐনা নখোয়দগী হান্না গালীলদা চৎকনি" - মাথি 26:32

মথংগী নুমিৎতা চাকখাঙবদা লাক্লবা মীচম অয়াম্বনা যীশুনা যেরুসলেমদা লেলক্লি হায়বা তারবদা থাংদুপ পাম্বীগী মকা পায়দুনা ইবুংঙোবু ওক্কনবা থোক্লক্তুনা লাউনা হায়রকই, “হোসান্না প্রভুগী মিংদা লেঙবিরক্লিবা ইবুংঙো” ইস্রায়েলগী নিংথৌ অদু য়াইফবনি” অদুগা যীশুনা লোলা মচা অমা ফংলদুনা মথক্তা লেংখৎলে, কিগনু, সিয়োনগী মচা নুপী য়েংউ নহাক্কী নিংথৌনা লোলা মচা অমগী মথক্তা তোংদুনা লেঙবিরকই, হায়না ইখিবগুম্বনি - যোহান 12:12-15

যীশুনা যেরুসলেমদা চংলকপদা মীয়াম্না থৱাই য়াওনা ওক্কবসু মাবু নিংথৌগুম্না মাগী মীশিংনা মাবু ইন্থোকপীগনি হায়বশি মহাক্না খংলম্মি। মহাক্না যেরুসালেমদা করি থোক্লকদগে খনবদা কপ্লমই মরমদি মখোয়না মখোয়দা শান্তি পীবা ঙম্বা মীশক অদু লৌশিল্লামদে। অমসুং ইবুংঙোনা নকশিল্লকপদা সহর অদু উরগা, মাদুগী মরমদা কপ্পুনা হায় “নঙনা নুমিৎ অসিদা নঙমক্না, ইংথবা ওইবগী থবক অদু খঙলম্লবদি!

অদুবু হৌজিক্তি নঙগী মিৎয়েংদগী মাদু থুপ্পুনা লৈরি মরমদি নথক্তা অসিগুম্বা নুমিৎশিং লাক্কনি, হায়বদি, নঙগী য়েক্লবশিংনা নঙগী অকোয়বদা পল শারগা কোয়শিন্দুনা, মায়কৈ খুদিংমক্তা নংবু থিংজিল্লগনি, অমসুং নঙগা নংগী মনুংগী নচাশিংগবু লৈপাক্তা ইন্থুরগনি, অদুগা নঙগী মনুংদা নুং অমবু অমগী মথক্তা মখোয়না থনম্লরোই, মরমদি নঙবু মিৎয়েং তাবিবা মতম অদু নঙনা খঙলমদে। - লুক 19:41-44

যোহান্না যীশুনা মাঙোল্লোমদা লেঙলকপা উদুনা মহাক্না হায় "য়েংউ! ঈশ্বরগী য়াউ মচা, তাইবঙপানবগী পাপা পুবিবা অদু"

- যোহান 1:29b

অদুদগী হামৈ য়াওদবা তল চাকখাঙবগী নুমিৎ হায়বদি অরান চাকখাংবাগী য়াউ মচা হাৎকদবা নুমিৎ অদু লাক্লে অদুগা ইবুংঙোনা পিতর অমসুং যোহান থাখিদুনা হায়, "ঐখোয়না চান্নবা অরান চাকখাংবা অদু ঐখোয়গীদমক চত্তুনা থৌরাং তৌরু" অদুগা ইবুংঙোনা তল লৌদুনা থাগৎচরগা, মদু থুগায়রে, অমসুং মখোয়দা পীদুনা হায় মসি নখোয়গীদমক পীরবা ঐগী হকচাংনি, ঐবু নিংশিংন্নবা মসি তৌ" অদুগা ইবুংঙোনা তেঙ্গোৎ লৌদুনা...... মখোয়দা হাইরকই "মসি ৰালেপ্পবা অদুগী অয়ান্বগীদমক তবিখ্রবা ঐগী ঈনি"।

- লুক 22:7-8,19, মার্ক 14:23-24

মহাক অৰাবা খাঙখি, মহাকপু য়ৈথুনবা মখোঙনা থোংনা চৎখি, ফোংদোকখিদে মহাক্কী মচিন্দগী করিগুম্বা ৰা অমা ফাওবা, হাৎফমদা চিংদুনা পুরিবা য়াওগী মতৌগুম্না মহাক পুবিখি।- য়সাইয়া 53:7a

মরমদি ঐখোয়গী অরান- চাকখাঙবগী য়াউ মচা, খৃষ্টবু হাৎখ্রে। - 1 কেরিন্থীয় 5:7b

মরমদি লুপা নত্রগা সনা মাঙগদবা পোৎ অসিনা নত্তদুনা, অশোয়বা অমসুং অমকপা লৈতবা য়াউ মচাগুম্বা খৃষ্টগী মমল লুরবা ঈনা নখোয়বু হন্দোকপীরে হায়বা নখোয়না খঙই। - 1 পিতর 1:18-19

অদুদগী তরানিথোইগী মরক্তগী অমা ইস্কারিয়োৎ যিহুদা অদুনা অথোইবা পুরোহিৎশিংগী মফমদা ইবুংঙোবু পীথোক্লবা চখোকখ্রে অদুগা মখোয়না মাদু তারগা, হরাওরদুনা মঙোন্দা শেন পীনবা ৱা লেপ্লে।

- মার্ক 14:10-11a

মতম অদুদা গেৎশামানী কৌবা মফমদা যীশুনা মখোয়গা লোয়ননা লেঙলকপদা সেবোকশিংদা হায়, “ঐনা অদা চত্তুনা হায়জরিঙৈদা, নখোয় অসিদা ফল্লন্মু” অমসুং ইবুংঙোনা মহাক্কা লোয়ননা পিতরগা সেবেদীগী মচানিপা অনিগা পুরম্মি, অদুগা ইবুংঙোনা ৱাবা অমসুং পুক্নিঙ ওলাং ওনশাওবা হৌরে ইবুংঙোনা মাংলোম খরা লেঙথোক্লগা উপ্রাক্লা তুমজদুনা হায়জরকই “হে ইপা মশি ওইবা য়ারবদি ঐঙোন্দগী তেঙ্গোৎ অসি লাম্থোকসনু। অদুম ওইনমকপু ঐগী নিঙবগুম ওইদদুনা ইবুংঙোগী নিঙবগুম ওইবিরিবনি”

- মাথি 26:36-37,39

মরম অদুনা যিহুদানা অথোইবা পুরোহিৎশিংগী ফরীশীশিংগদগী লান্মী কাংলুপ অমসুং ফম্নাইবশিংবু ফংদুনা, মফম অদু তান্না থাউমৈ মৈরা অমসুং খুৎলাইগা লোইননা লাকই। অসুম তৌনা লান্মী কাংলুপকা অথোইবা লুচিংবগা যিহুদিশিংগী ফম্নাইবশিংগনা যীশুবু ফাদুনা পুল্লে।

- যোহান 18:3,12

অদুগা অথোইবা পুরোহিৎশিংগা অহল্লুপ অপুন্বগনা যীশুবু হাৎননবা মথক্তা সাক্ষি থিরবসু ফংলমদে মরমদি অয়াম্বনা ইবুংঙোগী মথক্তা অরানবা সাক্ষী পীরম্মী, অমসুং সাক্ষি অদু ইমান মান্নরমদে

- মার্ক 14:55-56

অয়ুক ওইরবদা, অথোইবা পুরোহিৎ পুন্নমক অমসুং মীশিংগী অহল্লমনশিংনা যীশুবু হাৎননবা ৱা তানরে, অদুগা মখোয়না ইবুংঙোবু পুথোকখিদুনা লৈবাক ঙাকপা পীলাত্তা পীখৎখি। অদু ওইরগদি, খৃষ্ট কৌবা যীশুবু ঐনা করি তৌগদগে হায়দুনা পীলাৎনা মখোয়দা হায় মখোয় পুন্নমক্লা হায় মাবু ক্রোসতা হাৎপ ওইসনু। - মাথি 27:1-2,22

অদুগা মখোয়না ইবুংঙোবু ক্রোসতা য়োৎপি থাদুনা পাংতিংলম্বা মতম অদু অহুমসুবা পুং ওইরম্মি। অমসুং ইবুংঙোদা থৈজিনবা ৱাগী মিংথোল যিহুদিশিংগী নিংথৌ, হায়বা অদু কোকথক্লোমদা ইদুনা লৈরম্মি অদুগা মাখোয়না ইবুংঙোগা লোয়ননা দাকু অনিবু, অমনা ইবুঙোগী য়েত্তা অমনা ওইদা ক্রোসতা য়োৎপী থাদুনা পাংতিংই.... অমসুং মনাক্তা চথোক চৎশিন তৌরিবা মখোয় অদুনা মকোক হাইরদুনা খোন্থীনা ইকাইবা পীদুনা হায়, "এ! ঈশ্বর নিঙনশঙ মাঙহনবা অমসুং নুমিৎ হুম্নিদা শাবা নঙ ক্রোসতগী কুমথরক্কুনা নথন্তবু কঞ্জৌ" অদুগুমদুনা অথোইবা পুরোহিৎশিংনসু... মখোয় মশেনগী মরক্তা নোক্লদুনা হায় " অতৈশিংবুদি মানা কনবি, মথন্তাবুদি কঞ্জবা ঙমদে" - মার্ক 15:25-31

মদুদা যীশুনা অৱাংবা খোঞ্জেন্না লাউরকই, "হে ইপা, ইথৱায় ইবুংঙোগী খুত্তা শিন্নজরে!" অসি হায়রম্লগা, ইবুংঙোনা মথৱায় থাখ্রে।

- লুক 23:46

অমহিকসুং তরুকশুবা পুংদগী মাপলশুবা পুং ফাওবা লৈবাক পুম্নমকতা মম্লে। মতুং অদুদা যীশুনা অমুক্কা অৱাংবা খোঞ্জেন্না লাউরম্লগা মথৱাই থাখ্রে।... অমহিকসু য়েংউ, ঈশ্বর নিঙনশঙগী অশেংবা মফমগী মায়খনফি অদু মথক্তগী মখা ফাওবা অনি থোক্লা শেগায়রে লৈপাকসু নিক্লে নুংজাউসু পোখায়রে, অমসুং লান্মী চামগী মপুগা যীশু বু শঙবা মহাক্কা লোয়নবা মখোয়না যুহারাবা অমসুং থোক্লিবা অদু উবদা, থোইদোক্না কিদুনা হায়রকই, “অওইবমক মী অসি ঈশ্বরগী মচা নিপানি”।

- মাথি 27:45,50-51,54

মরম অদুনা লান্মীশিংনা লাক্লুনা ইবুংঙোগা লোয়ননা ক্রোসতা য়োৎপি থাদুনা পাংতিংবা অহানবা অদুগা অতে অদুগগী মখোঙ থুদেক্লে। অদুবু মখোয়না যীশু তান্না লাক্লুনা, ইবুংঙো শিরবনি হায়বা উরবদা ইবুংঙোগী খোঙ থুদেক্তে। অদুবু লান্মীশিংগী মরক্তগী অমনা ইবুঙোগী পুক্লোপ্তা তা অমনা থিল্লে, অদুগা খুদক অদুমক্তদা মাদুদগী ঈগা ইশিংগা থোক্লক্লে।...মরমদি ইবুংঙোগী সরূ অমত্তং থুদেকলোই হায়বা পাউ শাস্ত্র মফম অদু থুংননবা অসিশিং অসুম থোক্লরে, অদুগা অমুক শাস্ত্রগী মফম অতৈ অমদা হায়, “মখোয়না তানা থিল্লগা ইবুংঙোবু য়েংলগনি”। - যেহান 19:32-37

“অদুবু নখোয়নদি ... হিংবগী মপুবু হাৎলে, ইবুংঙোদুবু ঈশ্বরনা অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপীরে। মশিগী মরমদা ঐখোয়না শাক্লিনি”।

- পাখোন - থবক 3:14-15

অথোইবা পুরোহিৎশিংগা ফরীশীশিংগনা পীলাৎকি মফমদা তিল্লদুনা হায়রকই, “ইবুংঙো, মীনম্বা নুপা অদুনা হিংলিঙৈদা নুমিৎ হুম্মীগী মতুদা ঐনা হিংগৎকনি, হায়না হায়খিবা অদু ঐখোয়না নিংশিংই। অদুনা নুমিৎ হুম্মী ফাওবা মোংফম অদু নিংথিনা ঙাক্ল নবা য়াথং পীবিয়ু, নত্রবদি মাগী সেবোকশিংনা লাক্তুনা মাবু হুখ্রবা মাবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিংগৎপিখ্রে, হায়দুনা মীশিংদা হায়বা য়াই ...পিলাৎনা মখোয়দা হায়রকই অশঙবা মী লৌ, চৎলু নখোয়না খঙজবা মখৈ মাদু নিংথিজনা ঙাকউ। মদুদা মখোয়না ... নুং অদু মোহোর নল্লগা, মোংফম অদু নিংথিজনা ঙাকহল্লে - মাথি 27:62b - 66

...চয়োলগী অহানবা নুমিৎ হৌরমদাইদা, মাগদলীনি মারিয়ম অমসুং অতোপ্পা মেরিয়ম অদুনা মোংফম অদু য়েংনবা লাক্লে। অমসুং য়েংউ, য়ামা য়ুহারারে, মরমদি প্রভুগী দুত স্বর্গদগী কুমরক্লগা, নক্কা লেঙশিল্লক্তুনা নুং অদু ওম্থোক্লগা মথক অদুদা ফল্লে মহাক্কী মায়থোং নোংথাং কুপ্পগুম ওইরম্মি, অদুগা মহাক্কী মফি মরোল উনগুম ঙৌরম্মি, অমসুং শঙলিবশিং অদুনা মহাকপু কিবগী মরম্না নিক্লদুনা অশিবা মীশিংগুম ওইরক্লে মাদুদা স্বর্গদুত অদুনা নুপীশিং অদুদা খুম্লকই, “নখোয় কিগনু, মরমদি ক্রোসতা হাৎখিবা যীশু অদুবু নখোয়না থি হায়বা ঐনা খঙই। ইবুংঙো অসিদা লৈত্রে, মরমদি ইবুংঙোনা হায়খিবগুম্না হিংগৎপিখ্রে”

- মাথি 28:1-6a

"মরমদি ঐনা ঐগী থৱায় অমুক লৌশিন্নবা ঐনা ইথৱায় থায় কনানসু ঐঙোন্দগী ইথৱায় লৌদে, অদুবু ঐ ইশা ইথন্তা থাদোকচবনি। ঐনা মদু থাদোক্ন বা ইতিক লৈ, অদুগা ঐনা মাদু অমুক লৌশিন্নবা ইতিক লৈ ..." - যোহান 10:17b-18

মহাক্না অশিবা কৌবা লাইদু মতম লৈবা খিবিক্কি ওইনা মাঙহনগনি। মপু ইবুংঙো লাইনিঙথৌনা তাইবংপান্দা লৈরিবা মীশিংগী মমায়দা তৈরিবা পীরাংদু তৈথোকপীগনি। - য়সাইয়া 25:8a

"অদুগা হিংলিবা অদুনি অমসুং ঐদি শিরক্লে, অদুগা য়েংউ, ঐদি লোম্বা নাইদনা হিংলি, অমসুং শিবগী অদুগা খমনুং লৈবাক্কী শো ঐঙোন্দা লৈ"। - ফোংদোকপীবা 1:18

"হে শিবা, নঙগী ঙম্বা কদায়দনো? হে শিবা নঙগী নমু কদায়দনো?" অদুবু ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী মপান্না অঙম্বা অদু ঐখোয়দা পীবিবা ঈশ্বরবু থাগৎপা ওইসনু। - 1 কোরিন্থীয় 15:55,57

"অসিদা ঙকপা তৌগনু, মরমদি পুংফম অদু লাক্লি, মতম অদুদা মোংফম মোংফমদা লৈবা পুম্ন মক্না মহাক্কী খোঞ্জেল তারগা, অফবা তৌখিবশিংনা হিংন্নবগী হিঙ্গৎপদা, অমসুং ফত্তবা তৌখিবশিংনা ৱায়েন্নবগী হিঙ্গৎপদা, থোক্লক্কনি।" - যোহান 5:28-29

অমসুং চয়োনগী অহানবা নুমিত্তা ঙন্না ইবুংঙোনা হিঙ্গৎলবদা ভুৎ তরেৎপু ইবুংঙোনা তান্থোকপিখিবা মাগদলীনি মারিয়মদা হান্না উহল্লে। পুন্নমক অসিগী মতুংদা শক অতোপ্পা ওইনা ইবুংঙোনা মখোয়গী মরক্তগী খুল তান্না চৎলম্বা অনিবু লম্বীদা উহনবিরে।

- মার্ক 16:9,12

মরম অদুনা চয়োনগী অহানবা নুমিৎ অদুগী নুমিদাং ওইরবদা, অদুগা যীহুদিশিংবু কিবগী মরম্না সেবোকশিংনা লৈবা মফম অদুগী থোঙ পুন্নমক লোনখ্রবদা, যীশুনা লেঙশিলক্তুনা,মখোয়গী ময়াইদা লেপ্লে, অমসুং মখোয়দা হায়, “ নখোয়দা ইংথবা ওইসনু।” মদুদা ইবুংঙোনা অসি হায়রগা, ইবুংঙোগী খুৎ অনিসু পুক্লোপসু মখোয়দা উহল্লে। মরম অদুনা সেবোকশিংনা প্রভুবু উজরবদা হরাওজরে।

- যোহান 20:19-20

অদুগা কৈফাদা অদুগী মতুংদা তরানিথোয় অদুদা ইবুংঙোনা উহনবিরে। অদুগী মতুংদা ইবুংঙোনা অমুক্তদা চামঙাদগী হেনবা ইচিন- ইনাওশিংদা উহনবিরে… মতুং অদুদা ইবুংঙোনা যাকোবতা, অদুগী মতুংদা পাখোনচৎপা পুন্নমক্তা উহনবিরে।

- 1 কোরিন্থিয় 15:5b-7

“ঈশ্বরনা ইবুংঙো অসিবু নুমিৎ হুমনি সুবদা হিঙ্গৎপিরদুনা ফোংদোকহনবিরে মী পুন্নমক্তা নত্তে, অদুবু ঈশ্বরনা মমাংঙৈদা খন্দোকখ্রবা শাক্ষীশিংদনি, হায়বদি, ইবুংঙোনা অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপা মতুংদা ইবুংঙোগা চামিন- থকমিন্নখিবা ঐখোয়দনি”।

- পাখোন- থবক 10:40-41

মরম অদুনা যীশুনা মখোয়দা অমুক হায় "নখোয়দা ইংথবা ওইসনু, ইপানা ঐবু থারকপা অদুগুম্না ঐনসু নখোয়বু থারি" মখোয়দা ইবুংঙোনা শ্বোর কামশিন্দুনা হায়, "থৱাই অশেংবা নখোয়দা ফংজৌ।" - যোহান 20:21-22b

"স্বর্গ অমসুং তাইবঙ পান্দা লৈবা মতিক পুম্নমক ঐঙোন্দা পীবিরে মরম অদুনা নখোয়না চৎতুনা, জাৎ পুম্নমপু সেবোক সেম্মু, মখোয়বু মপাগী মচা নিপাগী অমসুং থৱায় অশেংবগী মমিংদা বাপ্তাইজ তৌ, ঐনা নখোয়দা পীখিবা য়াথং পুম্নমক অদু ঙাক্লনবা মখোয়বু তন্বীয়ু, অদুগা য়েংউ তাইবঙপানবগী অরোইবা ফাওবা ঐনা তত্তনা মখোয়গা লোয়ন্না লৈ"। - মাথি 28:18b-20

"অদুবু থৱায় অশেংবনা নখোয়গী থক্তা লেঙথবিরক্লবদা নখোয়না পাঙ্গল ফংজগনি, অদুগা নখোয়না যেরুসলেমদা যিহুদিয়া অমসুং সমরিয়া পুম্নমক্তা, অদুগা পৃথিবীগী অরোইব মফমদা ঐগী সাক্ষি ওইগনি। অমসুং ইবুংঙোনা ৱারিশিং অসি হায়রগা মখোয়না অসুম য়েংলিঙৈদ,ইবুংঙোবু পুখৎখ্রে, অদুগা লৈচিন্না ইবুংঙোবু মখোয়গী মিৎয়েংদগী লৌখৎখ্রে। - পাখোন - থবক 1:8-10

অসুম্না মখোয়দা হায়রবগী মতুংদা প্রভু যীশুবু স্বর্গদা লৌখৎখ্রে, অমসুং ইবুংঙোনা ঈশ্বরগী য়েত্তা ফমখ্রে। অদুগা মখোয়না... মফম খুদিংদা পাও শন্দোক্লে, প্রভুনা মখোয়গা লোইন্না থবক তৌমিন্নরে। - মার্ক 16:19-20a

“অমসুং ঐনা ইপাদা হায়জগনি, অদুগা ইবুংঙো মহাক্না অতৈ পাংবিবা অমা হায়বদি অচুম্বা অদুগী থৰায় অদুবু নখোয়গা লোম্বা নাইদনা লৈমিন্নবা নখোয়দা পীবিগনি, তাইবঙপানবনা ইবুংঙো মহাকপু ফংবা ঙমদে, মরমদি ইবুংঙো মহাকপু উসু উদে, খঙসু খঙদে, নখোয়দি ইবুংঙো মহাকপু খঙই মরমদি ইবুংঙো মহাক্না নখোয়গা ইতত্তনা লোইনৈ, অমসুং নখোয়গী নুংদা লৈবানি। ঐনা নখোয়বু পীতৎ পতৎপা মচাগুম থনল্লোই, ঐ নখোয়দা লাক্কনি।” - যোহান 14:16-18

পেন্তেকোষ্টকী নুমিৎ থুংলবদা, মখোয় পুন্নমক মফম অমদা তিন্নরম্মি। অমসুং খঙহৌদনা অকনবা নুংশিৎ লাকপগুম্না মখোন অমা স্বর্গদগী লাক্লদুনা মখোয়না ফল্লীবা য়ুম অদু পুমথন থল্লে। অদুগা মৈগুম্বা লৈতোল মখোয়গী মরক্তা তোঙান তোঙান খাইবিদুনা মখোয়দা উহল্লে, অমসুং মখোয় মী খুদিংদা তোংলে। মাদুদা মখোয় পুন্নমক থৰায় অশেংবনা থল্লদুনা, থৰায় অদুনা মখোয়বু ঙাংহনবিবা অদুগী মতুং ইন্না অতোপ অতোপ্পা লোন্না ঙাংবা হৌরে। - পাখোন-থবক 2:1-4

“যীশু অসিবু ঈশ্বরনা হিঙ্গৎপিরে, অসিগী মরমদা ঐখোয় পুন্নমক্না সাক্ষি ওইজরি মরম অদুনা ঈশ্বরগী খুৎ য়েৎনা চাওখৎহনবিবা অমসুং থৰায় অশেংববু পীবিগনি ৰালেপ্পা অদু মপাদগী ফংজদুনা, নখোয়না উরিবা অমসুং তারিবা অসি ইবুংঙোনা হৈথবিবনি।” - পাখোন-থবক 2:32-33

"ঐঙোন্দা ইতত- তত্তনা লৈয়ু, অদুগা ঐনা নখোয়দা ইতত- তত্তনা লৈগে। দ্রক্ষা মরীদা মশা অদুনা ইতত- তত্তনা লৈবা নত্রবদি, মথন্তনা মহৈ পানবা ঙমদবা অদুগুম্না, নখোয়না ঐঙোন্দা ইতত- তত্তনা লৈবা নত্রবদি, নখোয়নসু মহৈ পানবা ঙমদে। দ্রক্ষা মরি অদু ঐনি, মশাদি নখোয়নি। ঐঙোন্দা ইতত- তত্তনা লৈবা অমসুং ঐনা মাঙোন্দা ইতত- তত্তনা লৈবা মহাক অদুনা মহৈ য়াম্না পাল্লি, মরমদি, ঐনা য়াওদনা নখোয়ন করিসু তৌবা ঙমদে।" - যোহান 15:4-5

অদুগা ইবুংঙো মহাক্কী য়াথং ঙাকপা মহাক অদুনা ইবুংঙো মাঙোন্দা ইতত- তত্তনা লৈ, অমসুং ইবুংঙো মহাক্না মাঙোন্দা ইতত- তত্তনা লৈ, অমসুং অসিনা, হায়বদি, ইবুংঙো মহাক্না ঐখোয়দা পীবিরবা থৱায় অদুগী মপান্না, ইবুংঙো মহাক্না ঐখোয়দা ইতত- তত্তনা লৈ হায়বা ঐখোয়না খংই। - 1 যোহান 3:24

ঐবু খৃষ্টগা লোয়ননা ক্রোসতা শিমিন্নহনবিরে, অমসুং হৌজিক হিংজরিবা ঐনা নত্তে, অদুবু ঐগী নুংদা খৃষ্টনা হিংবিবনি, অদুগা ঐনা হৌজিক হকচাংদা হিংজরিবা মহিং অদু ঐবু নুংশিবিরবা অমসুং ঐগীদমক ইবুংঙো মশামকপু পীথোকপীরবা ঈশ্বরগী মচানুপাবু থাজবা অদুগী মপান্না ঐনা হিংজবনি। - গালাতীয় 2:20

অমসুং হকচাংদা লৈবশিং অদুনা ঈশ্বরবু পেলহনবা ঙমদে তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী থৱায়না নখোয়দা লৈরবদি, নখোয়না হকচাংদা লৈবা নত্তে, থৱায়দা লৈবনি। অদুবু কনাগুম্বা মীদা খৃষ্টগী থৱায় লৈত্রবদি মহাক্তি ইবুংঙোগী ওইদে। - রোমীয় 8:8b-9

তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী থৌজান্না যীশুনা মী খুদিংগীদমক শিবগী মহাও তংন্নবা স্বর্গদুতশিংদগী খরা নেমথহনবা ইবুংঙোবু শিবগী অৰা খাংবা মরমা মতিক মঙান্না অমসুং ইকাই খুম্নবনা কোকথোন থোনবিরবা ঐখোয়না উজে। - ইব্রীয় 2:9a

মরমদি ইবুংঙোনা মপা ঈশ্বরদগী ইকাইখুম্নবা অমসুং মতিক মঙাল ফংজবদা চাউরবা মতিক মঙাল দগী অসিগুম্বা খোঞ্জেল অসি থোক্লকই, "মসি ঐগী ইচানিপানি, মঙোন্দা ঐনা য়াম্না পেল্লে" অমসুং ঐখোয়না ইবুংঙোগা অশেংবা চিঙদা লৈমিন্নরিঙৈদা, খোঞ্জেল অসি স্বর্গদগী থোক্লকপা ঐখোয়মক্লা তাবনি। - 2 পিতর 1:17-18

অমসুং থাউমৈ মখোঙশিং অদুগী ময়াইদা মীগী মচা নিপা মানবা খুমিৎ থুম্না ফি থোল্লবা অদুগা সনাগী খ্বাংজেৎনা থবাক অকোয়বদা থোল্লবা অমবু উরে। অমসুং মকোক্লা মশমগা অঙৌবা শা মতুগুম উনগুম ঙৌই, অদুগা মমিৎনা মৈগী মৈরিগুম্মি। অমসুং মখোঙ খোঙদোল্না মৈফমদা ফুদোংলবা নিংথিজবা পীথ্রাইগুম্মি, অদুগা মহাক্কী খোঞ্জেন্না ঈশিং ময়ামগী ঈরাওখোলগুমই। অমসুং মখুৎ য়েত্তা থৰানমিচাক তারেৎ লৈ, মচিন্দগী অথৌবা ময়া অনি পানবা কবাকথাং থোকই, অদুগা মাগী মায়থোংদি য়াম্না ঙানবা নুমিৎকুম্মি। অমসুং ঐনা ইবুংঙোবু উজবদা অসিগুম্না ঐনা ইবুংঙোগী খুয়াদা তুথজরে। অদুগা ইবুংঙোনা মখুৎ য়েৎনা ইথক্তা থম্বিদুনা হায়, "কিগনু ঐদি অহানবা অমসুং অকোনবনি"। - ফোংদোপিবা 1:13-17

“নঙনা নঙগী অহানবা নুংশিবা অদু থাদোক্লে। মরম অদুনা নঙনা কদায়দগী তাখিবনো নিঙশিংউ, অদুগা নপুক্লিঙ হোংদুনা অহানবা থবক অদু তৌ” - ফোংদোকপিবা 2:4b-5a

“নঙনা অৱা খাঙগদৌরিবা অদু কিগনু..... নঙনা শিবা ফাওবা থাজবা য়াবা ওইয়ু, অদুগা ঐনা নঙোন্দা হিংবগী লুহুপ পীবিগনি।”

- ফোংদোকপিবা 2:10

“ঙাল্লিবা মহাক অদুবু অসুম তৌনা অঙৌবা ফিরোন থোনবিগনি, অমসুং ঐনা মহাক্কী মমিং অদু হিংবগী লাইরিক্তগী খক মুত্থৎপিরোই অদুগা ঐনা মহাক্কী মমিং অদু ইপাগী অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী দুৎশিংগী মাংদা য়াবিগনি।” - ফোংদোকপিবা 3:5a

“য়েংউ কনা অমত্তনা থিংবা ঙমদবা হাংখ্রবা থোঙ অমা নমাংদা ঐনা পীবিরে, হায়বদি, পাঙ্গল খরা নঙগী লৈ, অদুগা ঐগী ৱা ঙাক্তুনা ঐগী মিং নঙনা য়াদবা তৌদে।” - ফোংদোকপিবা 3:8b

“অদুনা নঙনা লুম্বু- লুম্বু শাবা, অমসুং শাসু- শাদবা, ইংসু ইংদবা মরম্না ঐনা নঙবু ঐগী ইচিন্দগী শিত্তোক্কনি।” - ফোংদোকপিবা 3:16

“ঐনা নুংশিবা মখৈবু ৱারকসু ৱারকপি, লাকসু লাকপি, ঐনা ঙম্লদুনা ঐগী ইপাগী ফম্বান্দা ইবুংঙো মহাক্কা ফম্মিন্নরবা অদুগুম্না ঙাল্লিবা মাঙোন্দসু ঐগা ঐগী ফম্বান্দা ফম্মিন্নবা পীবিগনি”

- ফোংদোকপিবা 3:19a, 21

অদুবু ইবুংঙোনদি পাপকীদমক ইরাৎপোৎ অমতং লোন্থা নাইদবগীদমক কৎলগা ঈশ্বরগী যেত্তা ফম্লে।
- ইব্রীয় 10:12

অদুনা ঈশ্বরগী মচানিপা যীশু স্বর্গ মখৈ ফাওদোকখিবা অচৌবা পুরোহিৎলেন ঐখোয়গী লৈ হায়দুনা ঐখোয়গী হায়দোকচবা অদু চেৎনা পায়সি। মরমদি ঐখোয়গী অশোন অনা খাঙমিন্নবা ঙমদবা পুরোহিৎলেন ঐখোয়গী লৈবা নত্তে, অদূবু ঐখোয়গুম মরম পুম্নমক্তা অথেন্বা ফংলবা, অদুমকপু পাপ য়াওদবা পুরোহিৎলেন ঐখোয়গী লৈ। মরম অদুনা নুংশিবিবা অমসুং কান্নগদবা মতমদা পাংবিনবা থৌজাল ঐখোয়না ফংজননবা থৌজানগী ফম্বাল তান্না থৌনা ফনা নকশিঞ্জসি। - ইব্রীয় 4:14-16

অদুবু ইবুংঙোদি লোন্থা নাইদনা লৈবা মরমনা তত্তনা পুরোহিৎ ফম ফংলে। মরম অদুগীদমক ইবুংঙোগী মপান্না ঈশ্বরগী মফমদা নকশিলকপশিংবু ইবুংঙোনা চংখোন্না কনবিবসু ঙমই, মরমদি ইবুংঙোদি মখোয়গীদমক্তা ৱা নোন্থিননবা তত্তনা হিংলিবনি।
- ইব্রীয় 7:24-25

ইবুংঙো মহাকমক্না হায়, "ঐনা নঙবু করিসু শোত্থহল্লোই, অদুগা ঐনা নঙবু খক থাদোক্লোই"। অদুনা ঐখোয়না থৌনা ফনা হায়, "প্রভুদি ঐগী পাংবিবা মপুনি, ঐ কিরোই মীনা ঐঙোন্দা করি তৌরগদগে?"
- ইব্রীয় 13:5b-6

যীশু খৃষ্টদি ঙরাংসু, ঙসিসু লোন্থা নাইদবা মতম ফাওবসু ইমান মান্নানা লৈ। - ইব্রীয় 13:8

"ঐনা লৈবা মফম অদুদা নখোয়সু লৈননবা, ঐনা অমুক লাক্কুনা নখোয়বু ইনাক্তা পুবিগনি"।

– যোহন 14:3b

"মরমদি প্রভু ইবুংঙো মশামক স্বর্গদগী খোল্লাওগা লোয়ননা লেঙথবিরক্কনি।......... অদুগা খৃষ্টদা শিখিবাশিংনা হান্না হিঙ্গৎকনি, মতুং অদুদা লৈহৌবা হিংলিবা ঐখোয়বু মখোয়গা লোয়ননা অতিয়াদা প্রভুবু ওক্ক জন্নবা লৈচিন মনুংদা পাক পুখৎমিন্নবিগনি, অমসুং অসুম্না ঐখোয়না মতম লৈবা খিবিক্তা প্রভুগা লোয়ননা লৈমিন্নগনি।

– 1থেসলোনিকীয়া 4:16-17

"মরমদি নোংপোক্তগী কুপ্পকপা নোংথাংবু নোংচুপ্তা উবা অদু গুম্না মীগী মচানিপা অদুনা লেঙলকপসু অদুগুমগনি, অমসুং মতম অদুদা অতিয়াদা মীগী মচানিপা অদুগী খুদম উগনি, অদুগা মতম অদুদা পৃথিবীগী জাৎ-পুম্নমক্না থবাক য়ৈনগনি, অমসুং পাঙ্গলগা অচৌবা মতিক মঙালগা লোয়ননা মীগী মচা নিপা অদুনা অতিয়াগী লৈচিনগী মথক্তা লেঙলকপা মখোয়না উগনি। অমহিকসুং ইবুংঙোনা মহাক্কী দুতশিংবু পেরেশিঙ্গাগী অহৌবা মখোনগা লোয়ননা থারক্কনি, অদুগা মখোয়না ইবুংঙোগী খনগৎপশিংবু অতিয়াগী অরোইবা অমদগী অরোইবা অমা ফাওবা মায়কৈ মরিমক্তগী খোমজিনগনি"।

- মাথি 24:27, 30-31

"মরমদি মীগী মচানিপা অদুনা মহাক্কী মপাগী মতিক মঙান্দা মহাক্কী স্বর্গদুতশিংগা লোয়ননা লাক্কনি, অমসুং মতম অদুদা মী খুদিংমক্তা মাগী মাগী থবক্কী মতুং ইন্না মহে পীবিগনি"।

- মাথি 16:27

"ঈশ্বরনা" "হৌজিক্তি মফম খুদিংমক্তা মী পুম্নমক পুক্নিঙ হোংন্নবা ইবুংঙো মহাক্না য়াথং পীবি, মরমদি ইবুংঙো মহাক্না খন্দোকখ্রবা নিপা অমনা তাইবঙপানববু অচুম্বদা ৱায়েনগদবা নুমিৎ অমা থাদুনা থম্বিরে ইবুংঙো অসিবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপিরবা অসিনা মী পুম্নমক্তা থাজফম ওইনা ইবুংঙো মহাক্না পীবিরে।"

- পাউখোন- থবক 17:30b-31a

"নুংমিৎ অদুদা অয়াম্বনা ঐঙোন্দা হায়গনি, প্রভু,প্রভু ঐখোয়না ইবুংঙোগী মিংগী মপান্না ইশ্বরগী ৱা তাকথোকচখিদ্রা, অমসুং ইবুংঙোগী মিংগী মপান্না ভুৎশিংবু তান্থোকখিদ্রা অমসুং ইবুংঙোগী মিংগী মপান্না তৌঙমদবা থবক কয়া তৌজখিদ্রা? মতম অদুদা ঐনা মখোয়দা ফোংনা হায়দোক্কনি, ঐনা কৈদৌঙৈদসু নখোয়বু খঙলমদে, হে তৌহৈদবা তৌবশা, ঐঙোন্দগী চৎথোকখ্রো।"

- মাথি 7:22-23

অদুনদি ঐখোয় মী খুদিংনা ঈশ্বরদা মশা মশাগী মরম পীজগনি

- রোমীয় 14:12b

তৌইগুম্বসুং প্রভুগী নুমিৎ হুরানবগুম্না লাক্কনি, নুমিৎ অদুদা অতিয়ানা য়াম্না নিনখোঙবগা লোয়ননা মাঙখিগনি, অদুগা মরুইবা পোৎ অকনবা মৈশানা তুমখিগনি, অমসুং পৃথিবী অদুগা মাদুগী মনুংদা লৈরিবা থবক মখৈ চাকথোকখিগনি। পোৎ পুম্নমক অসি অসুম্ন তুমখিগদবা মরম্না, ঈশ্বরগী নুমিৎ লাকপা অদু ঙাইদুনা অমসুং থৱায় য়াওনা পামদুনা নখোয়না শেংনা পানবদা অমসুং ঈশ্বর নিঙবদা করম্না মীওং ওইগদবনো।...নুমিৎ অদুগী মরমনা অতিয়া মৈনা চাক্তুনা তুমখিগনি, অদুগা মরুওইবা পোৎ অকনবা মৈশান শৌদোক্কনি। অদুবু ইবুংঙো মহাক্কী ৱালেপ্পা। মতুংইন্না, ঐখোয়না ধর্ম্মচেনবা পানবা অনৌবা অতিয়া অমসুং অনৌবা পৃথিবী ঙাইজৈ।

- 2 পিতর 3:10-13

মরম অদুনা ঈশ্বরনসু ইবুংঙোবু ৰাংনা থাঙ্গপিদুনা মিং খুদিংগী মথক ওইবা মিং অদু ইবুংঙোদা পীবিরে, হায়বদি স্বর্গদা পৃথিবীদা অমসুং পৃথিবীগী মখাদা লৈবশিংগী খুকউ খুদিংনা যীশুগী মিংদা নোঞ্জননবনি, অমসুং মপা ঈশ্বরগী মতিক মঙানগীদমক লৈতোন খুদিংনা, যীশু খৃষ্টনা প্রভুনি হায়না হায়দোক্লনবনি। - ফিলিপ্পীয় 2:9-11

"ঐনা অহিংদা মঙ মঙবদুদা উখিবা খুদম, য়েংউ নোংমদোন্দা পাইরিবা লৈচিনগা লোয়ননা, তাইবং মী মানবা অমা লাক্লমই ... মহাক্কী মফমদা লৈপাক্তু পিবিখি। মতিক ময়াই পিনবিখি, মীয়াম জাৎশিং অমদি তোঙান তোঙানবা লোন লোনবশিংনা ইবুংঙো মাবু সেবা তৌগনি, অতৎপা লৈতনা লেংদনা লৈরগদবা, মাঙবা লৈত্রবা লৈপাক ওইগনি ইবুংঙোগী লৈপাক্তু। থুগাইবা ঙম্লরোইদবা অমত্তা ওইবা লৈপাক্নি মহাক্কী।" - দানিয়েল 7:13-14

"পাঙ্গল, ইনাকখুনবা, লৌশিং অকন-অথৌ, ইকাইখুম্নবা মতিক মঙাল অমসুং থাগৎপা অদু ফংবা হাৎখ্রবা য়াউ মচা অদুদি মতিক চাবনি"।

- ফোংদোক পীবা 5:12b

অদুগা স্বর্গদা অৰাংবা খোঞ্জেল থোক্লক্তুনা হায় "তাইবঙপানগী নিংথৌলৈবাক অদু ঐখোয়গী প্রভুগী অমসুং ইবুংঙোগী খৃষ্টগীনি, অদুগা ইবুংঙো মহাক্লা লোম্বা নাইদনা পানগনি"।

- ফোংদোকপীবা 11:15b

"থবক ৱানা শুবা অমসুং পোৎলুম পুবা পুম্নমক ঐঙোন্দা চংজরমউ, অমসুং ঐনা নখোয়বু পোত্থাহনবিগনি। ঐগী পোপু নথক্তা থোংউ, অমসুং ঐঙোন্দগী তমজৌ, মরমদি ঐদি পুক্নিঙ তপই অমসুং থম্মোই নেমই, অমসুং নখোয়না নখোয়গী থৱায়দা পোত্থাবা ফংজগনি। - মাথি 11:28-29

"য়েংউ, ঐনা থোঙদা লেপ্পুনা য়ৈরি, কনাগুম্বনা ঐগী খোঞ্জেল তাদুনা থোঙ অদু হাংবিরবদি ঐনা মাঙোন্দা চংদুনা মহাক্কা ঐগা চামিন্নগনি।" - ফোংদোকপিবা 3:20

প্রভুগী ৱালেপ্পগী মরীদা মী খরনা অতপ্পা ওইনা শীংথানবগুম্না ইবুংঙোদি তপ্পা লৈতে, অদুবু নখোয়গীদমক কুইনা খাঙবিবনি, ইবুংঙো মহাক্না কনাবুসু মাংহন্নিঙদে, অদুবু পুম্নমক্না পুক্নিঙ হোংলকপা পাম্বনি। - 2 পিতর 3:9

"ইপানা ঐঙোন্দা পীবিবা পুম্নমক ঐঙোন্দা লাক্কনি, অদুগা ঐঙোন্দা লাকপা মী অদুবু ঐনা খক তান্থোকলোই।" - যোহান 6:37

"অদুগা মসি ওইগনি প্রভুগী মীং কৌজবা খুদিংবু কনবিগনি"। - পাখোন থবক 2:21

... হৌজিক লানবিবা নুমিৎনি ।

- 2 কোরিন্থীয় 6:2

খৌরাংবা মহাক অদুনা লাকচসনু, অপাম্বা মহাক অদূনা হিংবগী ঈশিং অদু লেম্না থকচসনু।

- ফোংদোকপিবা 22:17b

# যীশুগা লোয়ননা নহাক্লা করি তৌবা তাবগে?

“মচানিপা অদুবু থাজবা মহাক অদুনা লেম্বা নাইদবা হিংবা ফংলে, তৌইগুম্বসুং মচানিপা অদুগী ৱা ইন্দবা মহাক অদুনা হিংবা উরোই, অদুবু ঈশ্বরগী অশাওবা মহাক্কী মথক্তা লৈ”। - যোহান 3:36

তৌইগুম্বসুং ইবুংঙোবু লৌশিল্লবা মখৈদা, হায়বদি ইবুংঙোগী মিংদা থাজবা মখোয় অদুদা, ঈশ্বরগী মচাশিং ওইরক্নবা ইবুংঙোনা মতিক পীবিরে । - যোহান 1:12

মরম অদুনা অমোৎপা পুম্নমক অমসুং ফত্তবা হকমনবা থাদোক্কুনা, নখোয় নখোয়গী থৱায় কনবিবা ঙন্বা থাজিনখ্রবা ৱা অদু নোল্লুকপগা লোয়ননা লৌশিল্লু। - যাকোব 1:21

মরমদি নঙনা নঙগী নচিন্না যীশুবু প্রভু নি হায়দোকচরগদি, অমসুং অশিবশিংগী মরক্তগী ইবুংঙোবু ঈশ্বরনা হিঙ্গৎপিরে হায়বা নঙগী পুক্লিংনা থাজরগদি, নঙবু কনবিগনি। মরমদি মীনা ধর্ম্মচেনবা ফংননবা পুক্লিঙনা থাজৈ, অমসুং অরান খুভম ফংননবা মচিন্না হায়দোকচৈ। - রোমীয় 10:9b-10

প্রথনা তৌবগী মওং অমা

নুংশিরবা মপু ইবুংঙো যীশু, ঐগী পাপ কোকপীনবা ক্রোশ মথক্তা শিবিবগীদমক নহাকপু থাগৎচরি। ঐনা তৌখিবা অরানবা থবকশিং অদুগীদমক ঙাকপীয়ু। ঐগী থম্মোয়দা নহাকপু ঐগী কন্বিবা মপু ওইনা হৌজিকমক লৌশিনজরে। ঐবু নচা ওইনবা নহাক্লা ৱাশকপীবা অদু ঐহাক্লা থাজৈ। নহাক্কীদমক হিংনবা নুমিৎ খুদিংগী ঐঙোন্দা পাঙ্গল পীবিগনি হায়বা থাজৈ।

নহাক্কী মীংদা নিজবনি, আমেন।

